
# অপাম্বা খঙ্বা



নুপীশিংবু
লুচীংবা
ওইবা
তম্নবা
খুৎপায়
লাইরিক

# অপাঙ্বা খনজবা

## নুপীশিংনা লুচিংবা ওইনবা খুৎপায় লাইরিক


**Mahnaz Afkhami**

**Ann Eisenberg**

**Haleh Vaziri**

*in consultation with*

**Suhier Azzouni**

**Ayesha Imam**

**Amina Lemrini**

**Rabia Naciri**

*Manipuri version in consultation with*

**Khundrakpam Indu Devi**
**Kumari Naorem**
**Amita Maisnam**
**Kiranmala Laishram**

**Women's Learning Partnership**
**for Rights, Development, and Peace (WLP)**
4343 Montgomery Avenue, Suite 201
Bethesda, MD 20814
Tel: 301-654-2774/Fax:301-654-275
Email : wlp@learningpartnership.org
Web: www.learningpartnership.org

***in collaboration with***

**Association Democratique**
**des Femmes du Maroc (ADFM)**
Secteur les Orgners, Rue Mokla, villa N°2
Rabat, Morocco
Tel : 212-37-737165/Fax : 212-37-260813
Email : asociation.adfm@menara.ma

**BAOBAB for Women's Human Rights**
232A Muri Okunola Street, P.O. Box 73630
Victoria Island, Lagos, Nigeria
Tel : 234-1-320-0484
Tel/Fax : 234-1-262-6267
Email : baobab@baobabwomen.org

**Women's Affairs Technical Committee (WATC)**
Awad Bidg., Radio Street, 2nd Floor
P.O. box 2197
Ramallah, Palestine via Israel
Tel : 970-2-298-7783
Fax : 970-2-296-4746
Email : watcorg@palnet.come
Web : www.oal-watc.org

**CORE**
**Centre for Organization Research & Education**

**Loisanglen :**
**Nongmeibung Nambam Chuthek**
**Imphal 795001, MANIPUR**
**Tel/Fax : +91 385 2444845, 2441319**
**Email : coremanipur@coremanipur.org**
**Website : http://www.coremanipur.org**

**Regional Office :**
**North Eastern Region Office**
**Lane 3 Basisthapur Baltola (Dispur)**
**Guwahati 781028, Assam INDIA**
**Tel/Fax : +91 361 228730, 2228709**
**Email : core_ne@coremanipur.org**

**© 2003**
**by Women's Learning Partnership for Rights, Development, and Peace (WLP)**
**ISBN 0-9729395-5-5**

**Design :** Xanthus Design
**Illustration :** Avish Khebrehzadeh
**Translation in Manipuri :** Centre for Organization Research & Education.

# য়াওফম তাকপা


য়ানরবশিং

ব্রাহৌদোক : ঐখোয় কনানো

ব্রাহৌদোক : হৌরকফম, অনিংবশিং, পান্দমশিং অমসুং মওং মতৌশিং

লুচিংবা ওইবগী শাগৎনবা য়ুম্বীশিং : পাউ ফাওনবা সভা শীনবা, শীনমি লাংলিবা মীওইদা পীবা লমজিং লমতাকশিং

সভাগী শরুকশিং

অহানবা শরুক : ইশাগী লুচিংবগী ব্রাখল চাওখৎহনবা

| | | | |
|---|---|---|---|
| সভা অহানবা | : | লুচিংবা হায়বসি কনাবুনো ? | ২৫ |
| সভা অনিশুবা | : | ইশাগী পুন্সিদা করম্না লুচিংবা অমা ওইগনি ? | ২৯ |
| সভা অহুমশুবা | : | ঐগী ব্রাখল্লোন করিনো ? | ৩৭ |

অনিশুবা শরুক : অতোপ্পগা পাও ফাওনবা

| | | | |
|---|---|---|---|
| মরিশুবা সভা | : | ঐখোয় মতৌ করম্না পাউ ফাওনগনি ? | ৪৩ |
| মঙাশুবা সভা | : | ঐখোয়না মতৌ করম্না খেন্নবা ব্রাখল্লোনশিং শরুক য়ামীন্নগনি ? | ৪৮ |
| তরুকশুবা সভা | : | ঐখোয় মশেল করম্না শক্তি পাইনগনি ? | ৫১ |

অহুমশুবা শরুক : পুন্না তম্মীন্নবা

| | | | |
|---|---|---|---|
| সভা তরেৎশুবা | : | ঐখোয়না য়ানরবা ব্রাখল্লোন করম্না ফংগনি ? | ৫৬ |
| সভা নীপালশুবা | : | ঐখোয়গী থবক্কী থৌরাং অসি করিনো ? | ৬০ |
| সভা মপলশুবা | : | ঐখোয়না ঐখোয় ইশাগী হৈ শিংবা অমসুং তৌবা ঙম্বদু করম্না য়োৎখৎকনি ? | ৬৫ |
| তরাশুবা সভা | : | থবক্কীদমক ঐখোয় করম্না চংশিনগনি ? | ৬৯ |
| তরামথোইশুবা সভা | : | ঐখোয়না মতৌ করম্না থৌদাং অমসুং ফলশিং য়েঙ্খোক্কনি ? | ৭৪ |
| তরানিথোইশুবা সভা | : | মাই পাকপা সংস্থান অমা করম্না পুথোক্কনি ? | ৭৯ |

শরুক য়ারিবা অমসুং শিনলি লাংলিবা মীশিংনা মেনগদবা : ৮৪

তপশিনবশিং

| | | | |
|---|---|---|---|
| তপশিনবা 'ক' | : | তোঙান তোঙানবা শব্দমশিং | ৮৭ |
| তপশিনবা 'খ' | : | শিনলি লাংলিবা মীনা শিজিন্নগদবা | ৯৪ |
| তপশিনবা 'গ' | : | পুন্না তামিন্নবা | ৯৮ |
| তপশিনবা 'ঘ' | : | লুচিংবশিংগী য়াউফম | ১০০ |
| তপশিনবা 'ঙ' | : | লুচিংবশিংগী সংস্থানশিং | ১০৫ |
| তপশিনবা 'চ' | : | International Advisory Council | 108 |

# ৱাহৈদোক

## হৌরকফম, অনিংবশিং, পান্দমশিং অমসুং মওং মতৌশিং :

### হৌরকফম :

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা তম্নবগী মচাকশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং অসি হৌরকফম মরিদা য়ুম্ফম ওইবনি । অহানবদা জাতি অয়াম্বদা নুপানা অৱাংবা থাক্তা লৈরগা নুপীনা মতেং পাংবা ওইনা থন্নী । অসুম্না লৌবা অসি চয়েৎননিঙাই ওই, মরমদি খুদুম চনবা, শক্তি অমসুং লূচীংবা হায়বা অসি জাতি অমসুং কাঙলুপ খুদীংমক্তা চপ মান্নবা ৱাখল্লোন লৈতে । জাতি অমাগী মরক্তা ফাওবা মশা মশাগী ৱাখল্লোন নত্রগা লমচৎ শাজৎ তোঙাল্লি । মরম অদুনা য়ুমলোম্নবা অনীগী য়েৎনবা অমদা খুদুম শিংলিবা অদু মশাগী অশোনবা উৎথোকচবনি । অতোপ্পশিংদদি চয়েৎনবা অমদা হকচাংগী পাঙ্গল শিজিন্নবা অসি অকনবা উৎপা ওইবা য়াই ।

অনীশুবা হৌরকফম অসি, নুপীখক্তা নত্তনা সমাজদা লৈবা মী খুদিংদা রাজনিতিগী ওইবা, শেল থুমগী অমসুং ইনাৎকী ওইবশিংগী শক্তি অদু নুপা অমসুং নুপীদা চপ মান্ননা ফংহনবা অসিনি । অন্তরজাতিগী ওইবা চাওখৎনিঙাই অমসুং থকশি খাশিগী মতাংদা তম্বশিং অসি ৱারোইশিন্দদি চপ মান্নে । সমাজগী পুন্সিদা নুপীশিংবু শরুক য়াহনবা অমসুং মপাঙ্গল কনখৎহনবা লম্বীশিং শেমজবা অমসুং লমচৎ সাজৎকী ওইবা অসিনা মমি তাহল্লিবা নিং-খা তমহনবা ফজহনবা অমসুং সমাজবু অহোংবা পুরকপা হায়বা অসিনা হকথেংননা মরি লৈনৈ । চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা চপ চাবা চাওখৎপা ফংবা নত্রগা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চাওখৎপা ৱাৎলিবা মফম খরদা নুপীশিংগী লুচিংবগী মওং অসি খরা ৱাৎনা উই । অদুম ওইনমক নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা শক্তি য়েন্নদুনা নত্রগা শরুক য়ামিন্নবা অসি সমাজদা, জাতিদা, নত্রগা ইমুং অমা পুনশিন্নবা হোৎনবদা য়াম্না দরকার ওই ।

অহুমশুবা হৌরকফমদি অফবা লুচিংবা -লুচিংবা হায়বদি নুপা নুপী অনিমক্তা, লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা, শক্তি পায়বা অমসুং পাইদবা অনিমক্কি সেবা তৌদুনা ময়াইদা লেপ্পা অদুনি । অনৌবা লুচিংবা অসিনা অতমননা লম্বাইগী ওইবা মওংগী হকশিংবু মাঙহনবা অমসুং অতোপ্পশিংগী ৱারেপ লৌবদা মকোক ওইবা অদু য়াওদে ।অদুগী মহুত্তা লুচিংবা হায়বসি ওইনিংবা ফিবম অমদা লনাইগী ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং হৈশিংবশিং অদুদগী চান্নবশিং ঙমলিবমখে পুথোকপা অদুনি । অদুগীসু মথক্তা লুচিংবগী হৈশিংবা অসি মহাক্কী লোইনবশিং, থৌনা পিবাশিং নত্রগা মতুং ইনবাশিং অদুগী মতুং ইন্না লৈবা মগুনশিং অদুগা কৈদৌনুংদা তোঙান্দে । ফিবম খুদিংমক্তা অফবা লুচিংবা অমা তাক্লনবা হোৎনবদা মগুনশিং নত্রগা মওং-মতৌশিং, অশেন্বা পরেং ওইনা লৈতে । মহাক অসি মহৌশানা ৱাখল্লোন অমগী মখাদা কান্নবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা অমসুং অতোপ্পশিংগা লোয়ননা প্রজাতন্ত্র ঙাকপা অমসুং অমগা অমগা চপ মান্নে হায়না খনবা মীওইশিং ওইগনি । অফবা লুচিংবা অমা হায়বসি ৱাখল লৈবা মখোয়গীদমক দরকার লৈবা পান্দমশিং অদুনা হেন্না মরু ওইনা লৌগনি ।

মরিশুবা হৌরকফমদি শরুক য়ামিন্নবা অমসুং চপ মান্নবা লুচিংবশিংগা পাও ফাওনবনি । মতৌ করম্না প্রজাশিংনা মকোক থোংবশিংগা পাও ফাওনবগে, তিম্নবশিংনা করম্না পাও ফাওনবগে হায়বা খংবা - মসিশিং অসি লুচিংবগী মওং মতৌশিংনি । ঈ - পাওনা খ্বাইদগী মরুওইবা পৃথিবিগী পোৎশক

অমা ওইরবা কান্দা কনানা খ্বাইদগী শক্তি লৈবা পাও অদু শন্দোক্লবগীদমক, নুপীশিংবু লুচিংবা ওইহনবশিনা, ঐখোয়গী মরক্তা অমসুং পৃথিবিগী অতোপ্পা মফমশিংদা য়াম্না কান্নাহল্লি পাও ফজনা পিথোক পিশিন তৌবা অসিনা অফবা লুচিংবা অমগী ঐখোয়না মতৌ করম্না অতোপ্পা ৱা ঙাংগনি, পুম্না থবক তৌমিন্নগনি অমসুং ৱারেপ লৌগনি হায়বদু খঙহল্লি। মখা তারকপদা টেক্নোলোজিগী হৈশিংবনা পৃথীবী ফাওনা পাও ফাওহনবদা কান্ননিংঙাই ওইরবা শক্তম লৌই, নুপীশিংনা মসি শিজিন্নবশিনা লুচীংবা নুপী অমা ওইবগী দরকার লৈবদু খঙহল্লি।

*মরমশিং :*

মশানা অপান্বা খল্লবা (Leading to Choice) : নুপীশিংবু লুচীংবা ওইহনবা, পুম্না তামিন্নবা খুৎপায় লাইরিক অসি তমননবা মচাকশিং অমসুং লুচীংবা ওইননা তম্নবদা শীজিন্নবনি। অতোপ্পা লুচিংবা ওইনা তমনবগী মওংগা মান্নদবা শন্দোক্লা তাকপা মরম্না রাজনিতিগী লোইশঙ, কম্পেনি অমা শেম্নবা নত্রগা মায় পাক্লবা হোৎনবা, খুৎপায় লাইরিক অসিদা নুপীশিংবু শক্তি পায়হন্নবা হোৎননবা, অমসুং পাও ফাওদোক্লবগী খোঙথাংশিং য়াওই। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি, লাইরিক অসিবু পারিবা মীওই নত্রগা প্রজাশিংনা শরুক য়ারিবা মীওইশিংবু মশানা মশাবু মশক খঙজনবা অমসুং খ্বাইদগী ফবা মওংদা পাও ফাওননবগী মচাকশিং হৈনগৎহন্নবা পুক্নিং চঙনা তাবা, ৱাখল শাগৎচনবা, পুনশিন্নবা হোৎনবা অমসুং থবক মফমদা য়ুমদা অমসুং মশাগী জাতিদা পুম্না তমীন্নবনি।

*পান্দমশিং :*

ঐখোয়গী লাইরিক অসি পুথোকপগী মরুওইবা পান্দম্নদি সমাজ অমদা হেক্তা চাশন্নগদবা মওংদা নুপীশিংবু সমাজগী থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক্তা অমসুং ৱারেপ লৌবদা শরুক য়ান্নবা অমসুং লুচিংবা ওইন্নবা মচাকশিং পুথোকপনি। ঐখোয়গী মরুওইবা পান্দমদি পৃথিবিগী মফম খুদিংমক্তা নুপা নুপী অনীমক চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীনবা অমসুং মান্নবা ফিবম শেম্বীবা অসিনি। নুপীশিংবু লুচিংহনবা, হায়বদি নুপীবু শরুক য়াহনবা নত্রগা শক্তি পায়হনবা অসিনা নুপাশিংবু লুচিংহন্দবা শরুক য়াহন্দবা নত্রগা মখোয়বু শক্তি পাইহন্দবা হায়বা নত্তে। অশেংবা লুচিংবা হায়বা অসি মশানা খনজবা অদুগী মখা পোল্লী।

*মওং মতৌশিং :*

খুৎপায় লাইরিক অসিগী মথংগী শরুক্তা - মমিং "লুচিংবা ওইনবগী শাগৎনবা য়ুম্বীশিং লুচিংবা অমা ওইনা পাও ফাওনবা তম্বা" - শরুক অসি খুৎপায় লাইরিক অসিগী মরুওইবা শরুক্নি অমসুং মসি অশিল অরাং ওইরিবদুনা শিজিন্নগদবনি। মসিদা লুচিংবা ওইবগী অনৌবা হয়বদি পুম্না তামিন্নগনি, চপ মান্নবা ফিবমগী প্রজাতন্ত্রগী অমসুং মরু ওইনা নুপীশিংবু শক্তি পায়হনবগী হৌদোক্লবগী য়ুম্ফমশিং য়াওই। শরুক অসিগী মতুংইন্না " সভা অমা শিনবদা পাউফাওনবা: অশিল অরাংগী লমজিং লমতাকশিং" পীরি। মসিগী লমজিং লমতাকশিং অসি খুৎপায় লাইরিক অসিগী লুচিংবা ওইননবা তামিন্নবা সভাশিংদা শিজিন্নবতা নত্তনা ওইনিংবা মখল অমগী মীতিন অমগী অশিল অরাং ওইবদসু শিজিন্নবা য়াই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা সভা ১২ অসিনা লুচিংবা অমা ওইনবা মওংদা লনাই মীওই অমগী লুচিংবগী খোংথাংশিং অদু পুথোক্নুনা চপ মান্নবা মওংদা লুচিংবগী মওংশিং উৎপনি। লুচিংবা অমা তাক্লবা হোৎনবদা চপ চাবা মঙনগী অমসুং মওং মতৌগী মওং লৈতে। মশানা অপান্বা খনজবা (Leading to Choice ) অসিদা লুচিংবগী শরুকশিংদা তম্নবগী লম্বীশিং অদু সভা অসিগী অশিল অরাং ওইরিবা

অমসুং শরুক য়ারিবা মিশিংবু শক্তি পায়জনবা মওংদা শেম্বনি । সভাশিং অসিদা উৎলিবা লমজিং লমতাকশিং অসি শিজিন্নরিবা মখোয়শিং অদুনা চুশিন্নবগীদমক শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই । খুদম ওইনা মসিদা য়াওরিবা মীওইশিং অমসুং মায় পাক্লবা লনাই সংস্থান কয়াগী ব্রারিশিং অসি শুপ্নগী খন্ননিঙাই অহৌবা শরুক খক্তনি অমসুং ব্রারিশিং অসি হেন্না মরী লৈনবা নত্রগা খঙননিঙাই ওইবা মওংদা শেমদোকপা য়াই ।

খুৎপায় লাইরিক অসিগী সভাশিং অসি শরুক অহুম থোক্লা খাইদোকই । অহানবা শরুক্তনা, “ ইশাগী লমজিংবগী ব্রাখল্লোন হেনগৎহনবা” হায়বা অহানবা সভা অসিদা লুচিংবা অমগী খেন্নবা অর্থশিং অমসুং ওইবা য়াবা অমসুং ওইবা য়াদবা লুচিংবগী মওং মতৌশিংদু নৈনরি । অনিশুবা সভা অসিনা অপাবশিং অমসুং সভাশিংদা শরুক য়ারিবা মী মশানা লুচিংবা অমা ওইবগী তৌবা ঙম্বদু মতেং পাংলি । অহুমসুবা সভাদনা মতৌ করম্না ব্রাখল অমগা লোয়ননা লুচিংবা ওইগনি হায়বগী মঙং নত্রগা থৌনা অদুদগী মখোয়দা শিংনবশিংদু করম্না থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বদু তাক্লি ।

অনিশুবা শরুক্তা “অতোপ্পশিংগা পাউ ফাওনবা” মতাং অসিদা সভা মরিনা লনাই লুচিংবশিংগা অমসুং সভাদুদা শরুক য়রিবা মীওইশিংনা পাউ ফাওনবগী খোঙথাংশিংদু উৎলি সভা ৫ শুবদনা তাইশন্নবগী মওংশিং, য়াশিন্নবা, অমসুং খেন্নবা মীৎয়েং কয়া পুনশিন্দুনা পান্দম অমগী মখাদা কান্ননিংঙাই ওইবা থবক তৌবদু উৎলি, সভা ৬ শুবদনা অতোপ্পশিংবু শক্তি পায়হন্দুনা মী অমগী লুচিংবগী কান্নবশিং অদু তুং কোইনা অমসুং পাক শন্না লৈনবা মওংদা নৈনরি ।

অহুমশুবা শরুক, “ পুন্না তমিন্নবা” । শরুক অসিদা ৭ শুবা সভানা সংস্থানশিংগী মীওইশিং অমসুং অকোয়বগী মীশিংনা য়ান্নরবা ব্রাখল্লোন অমগী মখদা থবক তৌমিন্নবগী মওংদু ফোংদোক্লি । সভা ৮ শুবদনা সংস্থানশিংগী মনুংদা থবক অমা পায়খৎনবগীদমক থৌরমশিং য়াৎথোক্লবা নৈনরি অমসুং ৯ শুরকপদা লনাইগী ওইবা খেৎনবা হৈশিংবশিং অমসুং মওংশিং অদুবু য়োকখত্তুনা থবক তৌমিন্নবা নৈনরি । সভা ১০ শুবদনা সংস্থান্দুগী মনুংগী ওইবা পোৎচাকশিংদু খন্ন-নৈনদুনা পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা অমসুং লৈজবশিংবু কান্ননিংঙাই ওইবা মওংদা শিজিন্নবা মওংদা খন্ন-নৈনরি । ১১ শুবা সভাদা খোঙবু ওইমিন্নগদৌরিবা সংস্থানশিংগা নুপীগী হক্কী মতাংদা থবক থৌরম পাইখৎমিন্নবগীদমক তাক্লি অমসুং সভা ১২ শুবদা মায় পাক্লবা সংস্থান অমা ওইনবা নৈনরি ।

সভাশিং অসি চৎনবী মওংদা শেম্নবগীদমক খুৎপায় লাইরিক অসি তপশিনবশিংদা অতোপ্পা মওংগী সভাশিংদা তাক্লি, অশিল-অরাং ওইরিবা অদুগী খোঙথাংশিং অমসুং সভাদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংগা পাউ ফাওনবা অতোপ্পা মখলগী মশান্নশিং অমসুং মওং-মতৌশিংদা তাক্লি । তপশিনবা ‘ক’ দা সভা অসিগী অতোপ্পা মওং হায়বদি মহুৎশিনবা য়াবা সভাশিং য়াওরি । তপশিনবা ‘খ’, অশিল-অরাং ওইরিবা অদুনা সভাশিংদা খন্ন-নৈনরকপদা হেন্না নুংঙাইনবা মওংশিং পীরি । সভাশিগী অশিল-অরাং ওইরিবা মীওই অদু অকোয়বগী ফিভমগী মতুংইন্না অপীবা ব্রাফমশিংদু শেমদোক শেমজিন তৌহল্লি, চান্নবা পান্বেশিং অমসুং খোংথোংশিং ওইনা শিজিন্নহল্লি ।

তপশিনবা ‘গ’ দা পুন্না পুক্লিং চঙনা তামিন্নবগীদমক অমসুং কান্ননিংঙাই ওইবা ব্রারী শান্নবা পীরি । তপশিনবা ‘ঘ’ দনা নুপীশিংবু লুচিংবা ওইনবা থবক থৌরমদা য়াওবা লনাই সংস্থান খরগী মিং পীরি । তপশিনবা ‘ঙ’ দনা International Advisory Council (IAC) গী মেম্বরশিংগী মিং, অমসুং মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা শীনফমশিংগী হৈশিংলবা মীওইশিং, ইনাৎকী অমসুং ধর্ম্মগী মতুংইন্না WLP গী লুচিংবশিংগী পাউ পীরি ।

# লুচিংবা ওইবগী শাগৎনবা য়ুম্বীশিং :

## পাউ ফাওনদুনা লুচিংবা ওইবা তম্বা

**Mahnaz Afkhami**

মসিগী খুৎপাই লাইরিক অসি ঈ-পাউগী অওনবা লাকপা মতমদা নুপীশিং অমসুং লুচিংবশিংগী মরমদনি । ঐখোয়না নুপীশিংদা মরুওইহল্লিবগী মরমদি (ক) পৃথিবিগী মীশিংদা নুপীগী মশীংনা য়াম্বা হেন্বা, (খ) মমাংঙৈদগী হৌনা মখোয়গী অয়াম্বা শরুক ঐখোয়গী পুন্সি শেম্বদা য়াওবা, অমসুং (গ) ঐখোয়না অফবা পৃথিবি অমা শেম্বদা অমসুং অঙাংশিংগীদমক শেম্বীবগী খোংথাংশিংদা মখোয়না মশক থোকপা থৌদাং লৌই । ঐখোয়না লুচিংবশিংদা মরুওইহল্লিবগী মরমদি নুপী লুচিংবশিংনা ঐখোয়গী তুংদা থোক্কদবশিংবু মমায় চুম্বা হায়বদি ঐখোয়না থমজরিবা - নিং খা তম্বা, মান্নবা, অচুম-চুমদা পুথোকপা অমসুং মীয়ামগীদমক শান্তী পুরক্নবা মখোয়না হোৎনৈ । ঐখোয়না ঈ-পাউ পীথোক পীশিনগী টেক্নোলোজীদা মরু ওইহল্লিবগী মরমদি ২১ শুবা সেনচুরীদা শেল-থুমগী চাওখৎলকপা, সমাজদা অচুমবা লাকপা অমসুং নীংতম্বা লাক্কবগী অকনবা শক্তি অদু মসিনা পী ।

## নুপী, ঈ-পাউ, অমসুং শক্তি পায়হনবা

### নুপীশিংগী শক্তি অসি পনখে লৈ :

হৌখিবা চহী কয়াদা নুপীশিং অসি মখোয়গী সমাজগী থবক থৌরমদা থৌনা লৈনা শরুক য়াই, তৌইগুম্বসুং মীয়াম মরক্তা অমসুং লনাইশিংদা মখোয়গী লৈফমশিংদগী থাপ্পা লৈ । চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা নুপীশিংনা শরুক য়াবগী চাং অসি চাম্মদা ৩৩, অফ্রিকাদনা চামদা ১৫ অমসুং এসিয়া অমসুং পেসিফিক্তনা চাম্মদা ১৩ নি [১] । অফ্রিকা অমসুং এসিয়াদা চাদা য়াম্না পীক্লবসু হৌখিবা চহী ২০ অসিদা মদুগী শরুক অনি লাকপ্রে । ২০০০ দা United State কী মীচম্না মপু ওইবা মরু ওইবা কম্পনি ১০০০ শুপ্নগী নুপী অহুমখক্তা CEOs[2] দা লৈরম্মী । পৃথিবি মফম অয়াম্বদা থবক অসি নুপা নুপীগী মতুংইল্লি নুপীশিংনা শেংদোক শেংজিন, পোৎ য়োনথোক-য়োনশিন অমসুং ইমুং মনুংগী ওইবা থবকশিং অমসুং নুপাশিংনা শেম শাবা অমসুং পুথোক পুশিন তৌই । নুপীশিংনা চাংচত্তা য়েংনবা মতমদা পৃথিবিদা হাপ্তা খুদিংদা নুপাশিংদগী পুং মশিং হেন্না থবক তৌই তোইগুম্বসুং মখোয়গী থবক অসি খঙবীদে অমসুং মশিং থান্নবীদে । নুপানা তৌবা থবক অমা নুপীনা মদুগা চপ মান্নদা তৌরবসু পৈশা পীবা মতমদা নুপাদগী ১০০ দা ৩০ দগী ৪০ ফাওবগী চাং তানা পী । ইউনাইটেড নেসনগী পরীংদা নুপীনা মকোক থংবা থবক শিনদোক শিজিন্দা শুপনগী ১০০ দা ৯ দমক থবক তৌই অমসুং মথক থোংবা থবক শিনদোক শিজিন তৌফমদনা ১০০ দা ২১ দমক থবক তৌই, তোইগুম্বসুং Civil Service তদি ১০০দা ৪৮ থবক তৌই [৩]। হৌজিক ফাওবদা সরকারনা নুপীগী দরকার লৈবশিং অদু খজিক্ত মক মেনখৎপীরি ।

[১] United Nations. *The World's Women 2000: Trends and Statistics, New Yorik : United Nations, p. 130*

[২] From "A Start-Up of Her Own," by Marci McDonald, U.S. News & World Report, May 15,2000.

[৩] United Nations, *The Worlds Women 2000 : Trends and Statistics, New York : United Nations, p. 167.*

নুপা নুপী খায়বা অসি প্রজাগী চৎনবী ধর্ম্মগী শেল-থুমগী ওইবা মরী লৈনবদগী ওইহল্লকপা নত্তে। নুপী অয়াম্বনা সমাজগী চৎনবীশিং অসিনা মখোয়গী পুন্সিদা দরকার লৈবা অমসুং খুদোংচাবশিং অদু ফংহন্দে হায়বসি খঙই। মরুওইবা অমনা মখোয়সি চৎনবী অদুগী শরুক অমনি হায়বসিসু খঙজে। নুপী অয়াম্বনা হৌজিক্তি মখোয়দা থোক্লিবা খুদোং থীবশিং অসি অচম্বা নত্তে করম্না নুপাগা তান্নগনি হায়বদুসু খঙলে, অদুদসু নত্তনা সমাজগী চৎনবীনা ফাজিনপ্লবা নুপা অমসুং নুপীবু অমুক হন্না শেমদোক্কনি অমসুং শেমদোকপদা মতেং পাংগনি হায়বদুসু খঙগে। ২১ শুবা সন্ধাপতি নুপীশিংনা অফবা অসি করিনো অমসুং মীওইবগী পুন্সি অসি করি ওইবগে অমসুং পৃথিবি অসি পুনশিন্নবা হোৎনবদা করম্না শরুক য়াগনি হায়বগী থৌদাংশিং অদু লৌবা হেনগংলক্লি। সমাজ খরদা খুদম ওইনা Scandinabia দা নুপীশিংনা রাজনিতিগী মতাংদা[৪], নুপা নুপীগী মরীদা অমসুং মরী লৈনবশিংদা সমাজগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না চংশিল্লকপগী অমসুং ফজহল্লকপগী মওং ঐখোয়না উরে, মফম খুদিংমক্তা নুপীশিং শরুক য়াবগী চাং অসি হেনগৎহনগদবনি অমসুং মখোইয়বু শক্তি পাইহনগদবনি।

## *নুপীশিংবু শক্তি পাইহনবদা দরকার লৈবা অন্তরজাতিগী ব্রাখল্লোনশিং :*

নুপীশিংবু শক্তি পাইহন্নবা দরকার লৈবশিংদা অন্তরজাতিগী ব্রাখল্লোন অমা শেমদুনা লৈরে, মসিগী ব্রাখল্লোন অসি United Nation Fourth World Conferance on Women (Beijing 1995) মসিনা Beijing গী Plateform for Action ওইহনখি। মসিদা অসুম্না হায়রি :

Plateform for Action অসি নুপীশিংবু শক্তি পাইহন্নবা শেম্বা ব্ররোলশিংনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি মীয়াম মরক অমসুং লনাইগী ওইবা পুন্সিদা শেল-থুমগী ফিভম, সমাজগী, নাৎকী অমসুং রাজনিতিগী ওইবা ব্রারেপ লৌবদা চপ মান্নবা শরুক য়ামিন্নবদা থেংনরিবা খুদোং থিবশিং অদু লৌথোকপনি। মসিগী অর্থদি চপ-মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নবা অসি নুপা অমসুং নুপী অনিগী মরক্তা চপ মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নবা অসি য়ুমদগী, থবক শুফমদগী, জাতিগী থাক্তদগী অমসুং অন্তরজাতিগী থাক্তদগী হৌগদবনি। নুপা অমসুং নুপী মান্ননা য়েংবা হায়বা অসি মিওইবগী হক্কী মচাক অমনি অমসুং সমাজদা অচুম্বা পুরক্লবা খুদমনি অমসুং মান্নবা চাউখৎমিন্ননবা অমসুং শান্তি থম্বা অদুগী চংব্রবা য়াদ্রবা অদুগী দরকার লৈবশিংনি। মান্নবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা নুপা নুপী অনিদুনা পুনশিন্দুনা থবক তৌমিন্নরবদি মদু চাউখৎনিংঙাই ওইরবনি। দরকার লৈবা অমসুং অশাংবা মতমগী ফিভমশিং লৈবা অসি তঙাইফদে, অদু ওইরবদি নুপী অমসুং নুপা অনিনা মখোয় মশাগীদমক থবক পুন্না তৌমিন্নবা, মখোয়গী মচাশিংগীদমক অমসুং সমাজ অসিনা ২১ শুবা সন্ধাপতিদা থেংনরিবশিং অদুগী ময়োক্তা থবক তৌবা ঙম্মী। Plateform for Action না শন্দোক্না তাক্লিবসি নুপীশিংনা পুনশিন্দুনা অমসুং নুপাশিংগা খুৎপা শেমদুনা য়ানবা পান্দম অমগী মখাদা নুপা নুপী চপ মান্ননা পৃথিবিগী অকোইবদা থবক তৌবা অদুবুনি। মসিনা নুপীশিংগী মান্নদবা অমসুং খেন্নবা ফিভম কয়াবু ইকাই খুমনৈ অমসুং মরুওইনা নুপী খরদি মখোয় মশানা শক্তি পাইজনবা লানথেংনরি হায়বসি খঙই[৫]।

---

[৪] In 1995 the Swedish cabinet became the first to have an equal number of men and women as members. Since then, changed policies in social welfare, environment and military expenditure, for example, have reflected the new deployment of political forces.

[৫] "Report of the Fourth World conference on Women," *Covenant for the new Millennium: The Beijing Declaration & Platform for Action (Beijing, September 4-15,1995)*, Santa Rosa, California : Free Hand Books, 1996, pp. 7-8

### *পৃথিবিগী লমজেন তান্নবদা ঈ-পাউগী হৈ শিংবসু য়াওরি :*

পাউ ফাওদোক ফাওজিনগী অওনবা অসিনা তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গলসু হেক্সৎহল্লি । ঈ-পাউ অমসুং লৌশিং জ্ঞান্না পোথোক পুথোকপগী মরী লৈনবা অমসুং চেকশিনবা অদুগী য়ুম্বী ওইরি । হৌজিক মতমগী ঈ-পাউ পীথোক পীশিনগী মওং অসিনা মীশিংগী লাপনবা মরি অদু হস্থহন্দুনা য়ুমলোন্নবগুম খলহল্লে । ঈ-পাউগী হৈ-শিংবা অসিনা পৃথিবিগী মীশিংগা পাউ ফাওনবা অসি অনকপগা ৱারী শান্নবগুম খলহন্দুনা পৃথিবিগী চাঙদমনবা অসিদা দরকার লৈবশিং অদু সরকার অমসুং কম্পেনিশিংদা শেমদোক শেমজিন তৌনবা তকশিনলি । জাতিশিং অসিনা পৃথিবিগী লমজেন তান্নবা অসিদা য়াওনবা দরকার লৈবা পোৎশিংসু পীনবা তকশিনলি । ইনৌ নৌবা খুদমদি, খুদীংমক্তা খঙনরবা অওনবা পুরকপা অসিনি, মসিনা অনৌবা মরী অমসুং তৌবা ঙম্বা অদু মোট পী । অসিগুম্বা মীওইবগী লমজেন তান্নবা অসিদা অফবা ওইগনি নত্রগা ফত্তবা ওইগনি হায়বসি কনানসু ৱাশক্কুনা হায়বা ঙমলোই । অদুবু ঐখোয়না হৈশিংবশিংদগী ওইরক্লবশিংদা থবক কন্না শুদ্রবদি, ঐখোয়গী তুংগী পুন্সিদা লাক্কদবা অরংবা মঙাল অদু ঐখোয়না শুকখংমক খংদনা পুরা অমমবা ওইবা য়াই । মরমদি চাওখৎলম্বা মতমগী ঈ-পাউগী হৈশিংবশিং অসিনা লন-থুমগী শক্তি পাইদুনা, ২১ শুবা সন্ধাপতিদা নুপীশিংগীদমক পীরিবা অনৌবা খুদোং চাবশিং অসি শুপ্নগী খুদোং চাবা লৌনবগীদমক শেম শারিবা নুপীশিংতনা ফংগনি ।

### *ঈ-পাউ হৈ শিংবা অসি চয়েৎনৈ অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওই :*

ঈ - পাউগী হৈ শিংবা অসি পৃথিবিগী শেন থুমগী ফিভমদা ইনশিনবা, মমায় য়াম্না পানবা অমসুং চয়েৎননিঙাই ওইবা মওংনি । মসিনা পনখৈ লাম্থোক্কুনা চৎলি, মসিনা জাতি কাংলুপ অমসুং লনাই মিওইশিংনা তাল্লকপা দাবীগী মতুংইন্না অমসুং মদু চুশিন্নবা অনৌবা ফিভম শেম্নবগীদমক অনৌবা মওং মতৌ অমসুং তৌবা ঙম্বদা ওইরকই । মসিনা লনাই মীওই, কাঙলুপ নত্রগা জাতিগী মওং মতৌ অমসুং ফিভমগী মতুংইন্না কান্নবা ওইনবা অফবা খোংফম লৌরকই । কনাগুম্বা ঈ-পাউ গী অনৌবশিং অসিদা খংদবা অমসুং শরুক য়াদবা মিশিংনা মপুং ফানা ফংবা ঙমদে । অনৌবা মওং অসিনা মীওইবগী অৱাবদগী কাননবা দরকার লৈবা অদু ঐখোয়না কন্না শেমজদ্রবদি য়াওদে । মরমদি ঈ-পাউগী হৈ শিংবা অসিনা শক্তি পুথোক্লকই , মসিনা মীওইবগী অশোনবা অদু তাকই । ঐখোয়না মসি অরানবা মওংদা খুদুম চন্নবা হোৎনরোইদবনি । ঐখোয়না শোইদনা তৌগদবা অসি মসিদগী ফংলকপা তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং অদু ঐখোয়গী কান্নবা মওংদা শিজিন্নবা লল্লীশিং খঙন্নবা হোৎনবা অমসুং পান্থৈ পুথোকপনি ।

### *ঈ-পাউগী হৈ শিংবা অসিনা মিপুম খুদিংগী তুংগী অফবা পী :*

ঈ - পাউগী হৈ শিংবা অসিনা জ্ঞান তানশিনবা৺ লুচিংবা ওইনবগী অমসুং হৈ শিংবা হেনগৎনবা, ঐখোয়না পুন্সিগী ওইবা থবক শুবদা মতেং পাংবা ঙম্মী । ঈ-পাউগী খোংথাং অসিনা পৈশা য়াম্না চঙদনা পৃথিবিগী মফম খুদিংদা জাতিগী অমসুং পৃথীবীগী ওইবা থবক থৌরম য়াৎপদা, চাওখৎপা ৱাৎলিবা লনাই মিওইশিং অমসুং জাতিশিংবু মখোয়গী পুন্সিদা কান্নগদবা ৱাৱেপ লৌবদা মতেং পাংননবা পাউ পীথোক পীশিন তৌবা ঙম্মী। ২০ শুবা সন্ধাপতিদা Science অমসুং Technology চাওখৎলক্লি মদুনা মরম ওইদুনা ২১ শুবা সন্ধাপতিদদী মিওইবগী পুন্সিদা ইতোপ তোপ্পা চাওখৎপা অমা পুরক্লে । Scientific খুমাং চাওশিনবা অসিনা ঐখোয়দা মিওইবগী পুন্সিবু কিহল্লীবা লাইনা কয়াবু মুৎথৎপা, পুন্সি কয়াবু কল্লিবা, থবকশিংগী অহোংবা পুরক্লিবা অমসুং মিওই খুদিংদা নুংঙাইবা পুন্সি অমা পীরি ।

হৌজিক ঐখোয়না পাউ ফাওদোক ফাওজিন অমসুং লৌশিং জ্ঞান অমসুং পৃথিবিগী অকোইবদা অনেম্বা মমলদা ঙাইহাক লৈতনা শরুক য়ামিন্নবা ফঙলি । ঐখোয়না মমাংদা মতম চানা ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবা ঙমদবগী পোৎলুম অদুমদি চাওখৎপসিনা কোকহল্লে ।

## শরুক খায়দোকপশিংগা নকশিন্নবগী তঙায়ফদবা :

ঐখোয়না ঈ-পাউগী থবকসিদা খায়দোকপসু থেঙনরি, খায়দোকপসিনা মান্নদবা কয়া ঈ-পাউদা অমসুং জ্ঞান তান্নবা চঙশিনবদা হেন্না খুদোং চানবা অদুদসু নত্তনা নুপা নুপীগী চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফঙনবা শীনদোকই । United State তা লৈরিবা computer গী মশিংনা পৃথিবিগী লেমহৌরিবা শরুকশিংদগী হেন্না লৈ [৬]। চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা হৌজিক্কী মতমদা computer চাং অসি নুপীদগী নুপানা হেল্লি । লায়রবা লৈবাকশিংদা নত্তনা চাওখৎপা ব্রাৎলিবা লৈবাক খুদীংমক্কী মীশিংদা য়েংদুনা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংদা ঈ-পাউগী খুদোংচাবশিং অসি চঙহনবা দরকার ওই । ঐখোয়না Internet কী কান্নবশিং অসি মিপুম খুদিংদা হৈহনবতা নত্তনা Hardware শিং তাকপীদুনা মেচিন শিজিন্নবা হৈহনবা, ইতিহাস্কা মরি লৈনবা লোনলিগী ওইবা অমসুং কাঙলুপশিংনা পুথোকপা পোৎ চৈশিং ফজনা খংহনবা দরকার ওই । পৃথিবিগী মিপুম খুদিংমক অসিগুম্বা অসি শিজিন্নবা খক্তা নত্তনা মফম খুদিংদা ঈ-পাউ পুথোক্তুনা মখোয় মশামক অমসুং অতোপ্পশিং শিজিন্নবা হোৎনগদবনি । করিগুম্বা ঐখোয়না পৃথিবিগী মিওইবশিংগী থেংনরকপশিং অমসুং হৈ শিংবশিং অদু লৌবা হৈরবদি ঐখোয় পুম্নমক ইনাক খুনগনি । ঐখোয়না পল্তং ফঙনবা হোৎনবদা অমসুং পুম্নমক্তা শীংনবশিংদা ঐখোয়না থেংনরবদি, ঐখোয় পুম্নক্কা নুংঙাইনা হিংবা ঙম্বা, নীংখা তম্বা, চপ মান্নবা অমসুং অচুম্বগী ওইবা সমাজ অমদা হিংবা ঙমগনি । করিগুম্বা ঐখোয়না খেন্নবশিং অদু থেংনবা ঙমদ্রবদি ঐখোয় লোইনমক ঐখোয়গীনি হায়না চাওথোকচবা ঙমদ্রবা পুন্সি অমদা অদুমক লোইখ্রগনি ।

## লুচিংবা অমসুং তমলিবা সমাজ অমা :

ঐখোয় অয়াম্বা য়াম্নবা পুনশিনবা চৎনবী সমাজ অমগী মনুংদা হিংলিবনি । মদু য়ুমগী, কাঙলুপকী, রাজনিতিগী নত্রগা শেন-থুমগী ফিভমদা ওইবা য়াই । চৎনবী অসিগী মওং মতৌ অমসুং হায়বা ইনবগী মহৌশাগী চৎনবী অসিনা ফিভম অমা চাথিবা অমসুং চৎনবীশিংদু ঙাক্না চৎপা অসিদা অৱাংবা থাক্কী মওং অমা শেম্মী । অৱাংবা থাক অসিগী থৌদাংদি শেমলিবা ব্রাখল্লোন অদুগী মরী লৈনবশিং য়েংশিনবনি । অৱাংবা থাক য়াওদ্রবা মতমদা, মরী লৈনবা য়াথংশিং অদুগী মরী লৈন্নবশিং অদু কান্নদবা ওইরকই । মসিগুম্বা মরি অসি ঐখোয়না পান্নিবদুদি নত্তে । অমরোমদা ঐখোয়না য়েংশি সমাজ অমগী থৌরমদা অমনা য়াথং তৌরগা অতৈনা ইল্লি , তৌইগুম্নসু মহৌশানা পাউ ফাওদোক ফাওজিনদি অদুমক তৌই । ঐখোয়না তমখৎলক্লিবা সমাজ অমদা লুচিংবা অসি সমাজ অদুগীদমক খঞ্জবা অমনি ঐখোয়না তমনিংবা সমাজ খুদিংনা ঐখোয়না লৈরিবা অদুদগী খোঙফম হোঙবা, ঐখোয়না লৈরিবদুদগী হৌবা দরকার ওই । ঐখোয় অয়াম্বনা লুচ্চিবা হায়রগা পাঙ্গল, অখাঙ কনবা, অমসুং মমল নাইদবা পল্তুং অমা য়ৌনবা হোৎনবনি হায়না খল্লি । করিগুম্বা মী অমনা অতোপ্পশিংবু অতোপ্পা মী অমগী ফনবা তৌনবগীদমক ইনশিনলবা অদু ওইরবদি মহাক লুচিংবনি ।

[৬] United Nations Development Programme (UNDP), *Human Development Report 1999, New York : Oxford, 1999, p. 62*

## লুচিংবা ওইদবশিং :

লুচীংবা হায়বসি কনাবু ওইদবগে, খন্নবা হোদোকপা লন্বী অমা লৈ । ঐখোয়না হেক য়েংবদা খঙগদবদগী হৌশি । ঐখোয় খুদিংমক্কা লুচিংবা হায়বা অসি নমদুনা থবক তৌহনবগা মান্নদে হায়বসি য়ানরবা ব্রাফমনি । ঐখোয়না মী শিংবু ঐখোয়না পান্বা থবক অমা নমদুনা অমসুং মওং অমদা কিহন্দুনা অমসুং দন্দী ওইনা তৌহনবদি ওইখোকপা য়াই । মপা অমনা মহাক্কী মচানুপাবু পরিক্ষ ফেল ওইবগী নত্রগা য়ুমগী থবক ইনখাংদা থৌওইদবগী দন্দী পীগনি হায়না কীহনলি । ওফিস অমাগী মকোক অমনা মাগী মখা থাবা থবক তৌবা মী অমবু থবক হেন্না ফজনা তৌদ্রবদি তলপ পীরোই হায়না কিহনবা য়াই। অসিগুম্বা অসিদগী ঐখোয়না ফাওবা য়াই মদুদি অসিগুম্বা থবক থৌরম অসি করিগুম্বা ঐখোয়না লুচীংবগী মওং মতৌদু পাংথোক্লবদি অসিগুম্বা অসি থোকপগী দরকার লৈতে, খুদম ওইনা মপাদু মহাক্কী মচানুপা নত্রগ ওফিসকী মকোক্তুনা মহাক্কী মখা তাবা অদুগা ফজনা পাও ফাওনদুনা জ্ঞান তান্নবা অমা পুরকপা ওন্নবদি দন্দী পীদ্রবসু য়াই ।

খুদমশিং অসিনা ঐখোয়দা তাক্লে, মদুদি লুচীংবা হায়বশিং অসিগুম্বা চৎনবীগী মমা মপাগী হায়বা ইনবগী শক্তি মখাদা নত্রগা মহৌশাগী চৎনবী সংস্থান অমদা মকোক অমনা হায়বা ইনবগী শক্তি মখাদা লৈবা, অসিশিং অসি মান্নদে হায়বসি তাক্লে । মপা অমনা মচানুপদগী থবক অমা পান্নবা য়াই অমসুং মচানুপা অদুনা ইচম চম্না মপানা মঙোন্দা হংলক্কবগী হক লৈ খন্দুনা তুমিন লৈরম্বসু য়াই । মহৌশানা ওফিস অমদা মখাদা থবক তৌবশিংনা মথক থোংবশিংগী লিচীং মখাদা থবক তৌই, মরম অদুনা মখা থাবা অদুনা মকোক থোংবশিংগী লিচিং অমা রদকার লৈ হায়না খনবসু য়াই । মসিনি ঐখোয়না মহৌশাদগী মকোক থোংবগী মখাদা থবক তৌবগী চৎনবী । মকোক থোংবগী চৎনবী অসিনা দরকার লৈতবদা নমফুদা থবক তৌহনবগী মওংনি, তৌইগুম্বসুং মসি লুচিংবা হায়বদুদগীদি তোঙাল্লি ।

ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী থেংনবশিংদগী খঙই, মদুদি লনাই মিওই খরদি য়াথংশিংবু ইকাই খুম্নবা অমসুং মীনা হায়বদা য়াবা মগুনশিং য়াওজে । মখোয়না অতোপ্পশিংবু পুক্লিং থৌগৎলি । পুক্লিং থৌগৎপা হায়বশিমকসু লুচিংবা হায়বশিগা মান্নদে। পুক্লিং থোগৎপা ওম্বা হায়বা অসি পোকপদগী লোইনরকপা গুননি মীওই খরদা অমসুং অয়াম্বনা মীরাইবিবনি । লুচিংবা হায়বসি অমরোমদা ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিনগী লননি, পুন্নমক্তা লৈবা মগুননি । পুক্লিং থৌগৎপা হায়বা গুনসি য়াওদনা লনাই মীওইশিংনা অচৌবা লুচিংবা অমা ওইবগী প্রমান পীবা ওইথোকতে । অদুনা লচিংবা হায়বসি শক্তি শিজিন্নবসু নত্তে, মহৌশাগী চৎনবীসু নত্তে, আইন অমসুং পুক্লিং থৌগৎপসু নত্তে, অদুবু হায়রিবা ব্রাখল্লোনশিং অসি লুচিংবা ওইনবা খোংথাংশিংদা শরুক য়ারম্বদি য়াই । য়াথং ইনবা লনাই মীওইশিং অদু লুচিংবা ওইবসু য়াই নত্রগা ওইদবসু য়াই । লুচিংবগী ফিভমশিং অসি মরম অদুনা য়াথং ইনবগী ফিভমশিং নত্রগা য়াথংগী মওং মতৌগী ব্রাখল্লোনশিংদগী খেন্নে ।

## লুচিংবা অমসুং পাউ ফাওনবা :

লুচিংবা হায়বসি পাউ ফাওনবনি, লুচিংবা হায়মসি শেম্নবা য়ামদ্রবদা মীওই অনি লন্বী অমদা অমগা অমগা মরি লৈনৈ । কানা অমত্তনা নাইতোম লুচিংবা ওইবা ঙমদে মরম অদুনা লুচিংবা হায়বসি পাউ ফাওনবগী মওংনি । মী অমনা লুচিংব অসি অমগা পাউ ফাওনরগা তৌগদবা য়াম্না লৈ । মথং

মনাও নাইবা সংস্থান অমদা, ঈ-পাউ অসি মতোনদগী লোইবা ফাওবা চুমদ্রিং পাউ ফাওনৈ, মরমদুনা মসি লুচিংবগী মওংনি। মকোক থোংবা অদুনা চংকদবা লম্বী অমসুং তৌগদবশিংদু তাকই, অদুগা মথা থাবশিংনা মদু ইল্লি অমসুং মদুদগী ওইরকপশিংদা খঙহল্লি। মসিগী চংনবী অসি য়াম্নমক মরু ওই, মসি ওইদবগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয়গী মরক্তি ওইবা মরীশিং অসি য়াম্না তেল্লি অমসুং ঐখোয় অয়াম্বনা খঞ্জিনলুদে।

পাউ ফাওদোক ফাওজিন্না তমলিবা জাতি অমদা তোঙানবা ময়েক অমা থোকহল্লি। মসি চপ য়ুংদে তৌইগুম্বসু ময়াই ফাওনদি চংলি। মসি মতম পুম্নমক্তা লম্বী অনী শুই। মসিদা নমদুনা অমসুং শক্তি শিজিন্নবগী মথৌ তাদে। মসিনা মথং মনাও নাইবা চংনদে। মসিনা মতম পুম্বদা অৱাই অথুমগী মওংদা উৎলি। মী খুদিংমক শরুক য়াই, খুদিংমক তম্মিনৈ। লুচিংবগী ময়েকশিং অসি পাউ ফাওনবগী ময়েংশিংগী মতুং ইল্লি। মতম অমত্তদা মী খুদিংমক লুচীংবসু ওই তুং ইনবসু ওই, নত্রগা মী খুদিংমক লুচিংবা ওইদুনা অতোপ্পা লুচিংবশিংগা পুম্না চংমিন্নদুনা মাংদা তাবা ৱাফম অমদা অফংবশিংদগী অপাম্বা অমা খন্দুনা অমসুং অপাম্বশিং শেমদুনা থবক পুম্না তৌমিন্নৈ। মীপুম খুদিংমক্তা য়ানরবা অমগী মথাদা শরুক য়ামিন্নরবা পুন্সিগী মিৎয়েংশিংগী মথাদা থবক তৌই।

লুচিংবগী ইহৌ অসি অহানবা হৌগৎলকপদদি মচিং মশোই নাইবা য়াই, অদুবু মদু নত্তে মসি মঙলান অমগুম থেংনবা য়াই, মরমদি মথং মনাও ওাইনা পাউ ফাওনবসি ঐখোয়না শিজিন্নরক্লিবনি। মথং মনাও নাইনা পাউ ফাওনবা হায়বা অসি ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবা, য়ুমদা, স্কুলদা, থবক মফমদা অমসুং লাই খুরুম্ফমশিংদা শিজিন্নবদুনি মরমদি অসিগুম্বা চংনবীগী মরক্তা পোক্লকলবনি, ঐখোয়না ঐখোয়গী অরিবাগী হৈনবীশিং থাদোক্লবগীদমক থবক তৌবা তাই, ঐখোয়না তম্বা ওম্বা অমসুং পুম্না ৱারেপ লৌমিন্নবা অদুগী ওইথোকপা য়াবা অদু অমুক্তংবু য়াথ্রবদি ঐখোয় ইতোপ তোপ্পা অমসুং হেন্না কান্নবা মরী চেৎশিনহন্দুনা তুং কোইবা অফবা লম্বী অমা শেম্বা ঙম্বগী লম্বীদা লৈরবনি।

## *তমখৎলক্লিবা সমাজ অমদা লুচিংবা :*

লুচিংবা হায়বসি খোঙথাংশিংনি, মসি মফম অমদা চৎপাগুম্বনি। মফম অমদা চৎপদা মী অমদা পান্দম অমা, ৱাখল্লোন অমা দরকার লৈ। মরম অদুনা লুচিংবা হায়বসি ৱাখল্লোন অমা শাগৎপনি। ৱাখল্লোন অমা শাগৎপা হায়বসি পান্দম অমা থমবদগী হেন্না ফৈ। মসিদা অফবগী শক্তম,শীংথানিঙাই, ঐখোয়না থবকসু ফজনা তৌরবদি মদু করি ওইহনগনি হায়বগী মওং মতৌশিং য়াওই। লুচিংবা হায়বসি মরম অদুনা পান্দম লৈতবা য়াদে। মদুগী মাইকৈ লৈগদবনি নত্রবদি মদু লুচিংবা নত্তে। তৌইগুম্বসু তৎকনি, মায়কৈ শেম্বা, চঙশিন্নবা শীনগনি, মায় পাকপশিং ওন্নবা মওং মতৌশিং ? Pyramid কী মওং অসুম চঙশীনগদ্রা ?

ঐখোয়না সমাজকী ফীভমশিংদগী লুচিংবা হৌদ্রিঙৈদা লমজিংগদবা পামবৈশিং হায়বদি তমখৎলক্লিবা সমাজদা লুচিংবদা মতেং পাঙবা ঙম্বা পাম্বৈশিং হান্না ৱারী শান্নবা দরকার ওই।

## *তমলিবা সমাজ অমা শেম্বা :*

মরমদি লুচিংবা অসি পীথোকপা অমসুং লৌশিনবদা য়ুম্ফম ওই, কাঙলুপ অমগী ৱাখল্লোনশিং অমসুং অর্থ অদু ফঙদ্রিফাওবা, অরোইবা অদু তঙ তাদে। অরোইবা অমসুং অর্থ অসি ইচেলগুম্বনি

অমসুং অরোইবা হায়বসি মরু ওইদে । শরুক য়ারিবা মীশিংবু মখোয়গী ৱাখলশিং অদু থাদোকউ হায়বা নত্তে শীনদোক্লবা থবকশিংদা করিগুম্বা হীরম অমদা মথং মনাও নাইবা মওংদগী খেৎনবা মওংদা চঙশিনবা য়াই । তমখৎলক্লিবা সামজ অমাদা লুচীংবগী শীনথোক্লবা থবক থৌওংশিংদা মখাদা পীরিবা মচাকাংগ অসি য়াওবা য়াই :

সংস্থানশিংগী মহী লাংবা : সংস্থানগী তমবগী খোংথাংশিং অসি মহী লাংবা পোৎকুম্না অহোংবা নাই । লুচীংবা অসি শেম শাবা ওইনা তম্মী, শীনবা লাংবনা তম্বা ওইরকই অমসুং তম্বনা শীনবা লাংবা ওইরকই । শেমগৎপা অমা হায়বসি শুপ্নগী ৱাখল অমসুং লমচৎখক্তা শেম্বা নত্তে, মসিনা সংস্থান অমগী মরী লৈন্নবা মেম্বরশিংগী মরীশিং অদু চেৎশিনহনবনি । শক্তি পাইবা মীগী লমদা থবক তৌবা ওফিসশিং অদু নত্তে, তৌইগুম্বসুং, হীংমীন্নবা, মীওইবা মশেলগী মরক্তা অমাগা অমাগা অশেংবা মরী থম্নবা অদুবুনি ।

## *তৌবা গুম্বশিং মথং মনাও নাইনা য়েনখোকপা :*

তমলিবা সংস্থান অমা লাইনা অমসুং সাম্থাম্না তমলিবা অদু য়ৌননবা হোৎনবদা, মথং মনাও নাইনা তৌবা গুম্বশিং য়েনখোকপগী মওং অদু দরকার লৈ । য়াথং তৌবগী চৎনবী মাঙহনবা অসিনা পুঙচায় চায়হনগনি হায়বা নত্তে । মসিনা হায়রিবদি য়াথং অসি লনাই মীওইশিং অমগা অমগা পাউ ফাওনদুনা শরুক য়ারিবা মীয়াম্না পুথোক্লকপা ৱাফমশিংদগী হৈ শিংবা অমসুং জাতিবু য়োকখৎনিংবা ৱাঙাংশিং অদুনা পুথোকচগদবনি ।

অনীগী মরক্তা ইকাই খুম্নবা : তমখৎলক্লিবা সমাজ অমদা লুচীংবা অসি শরুক য়ারিবা মীশীংনা অমাগা অমাগা অমসুং মীওইবা পুম্বা চপ মান্নে হায়বগী মওংদা শান্নরিবা ৱারীশিংগী মখা পোল্লী । লুচীংবা অমা হায়বসি লনাই ৱারী শান্নবা মতমদা অনীমক্লী ৱাখল তোঙানলবসু অমানা অমাগী ৱাখল্লোনবু ইকাই খুম্নবা অদুবুনি ।

মথনতা থোকচরকপা : তমখৎলক্লিবা সংস্থান অমাদা য়াথং ঙাকপা অসি মনিল ওনদে । মসিনা মান্নরবা ৱাখল্লোন অমা ফঙন্নবা হোৎনবদা য়াম্না মরুওইবা লীল্লা শান্নে । অদুম ওইনমক মদু মথনতা থোকচরকপদা য়ুম্ফম ওই । চৎনবীগী নীয়ম নত্তে নত্রগা নমদুনা তৌবগী কীহনবসু নত্তে । মসি অরেপ্পা নত্তে অদুগা মসি অমাগা অমাগা ঙাংনরগা থোক্লকপনি ।

তমখৎলক্লিবা সমাজদা লুচীংবগী হৌন লোনচৎ : ঐখোয়না, লুচীংবা অসি নমদুনা তৌহনবা, য়াথং ইলহনবা, য়াথং তৌবা নত্তে হায়বসি মান্নদুনা খঙখ্রে । অমরোমদা মসিনা অপীবা থবক থৌরম অমগী মনুংদা মরীলৈন্নবশিংগা শরুক য়ামীন্নদুনা থবক তৌমীন্নবা অদুবুনি । তমখৎলক্লিবা সমাজ অমাদা লুচীংবগী মশানা পাঙথোক্লবা, ঐখোয়না মদুগা চান্নবা থৌরমশিং য়াৎথোকপা তাই । থৌরমশিং অদুদা মথক্তা পনপ্লিবশিং অসি য়াওহনগদবনি । অদুম ওইনমক থৌরমশিং য়াৎথোকপদা মতেং পাঙননবা অমসুং লেঙদ্রবা থৌরমশিং ওইননবা মওং মতৌশিং খন্নমিন্নবা মরু ওই, খন্ন-নৈনবশিং অদু অচুম্বা ওইনবা ঐখোয়না তমবা দরকার তাই । মখোয়শিং অদু লুচীংবা অমা ওইনা সাম্থান শেম্নবা হোৎনবগী খোঙথাংনি নত্রগা অমরোমদা লুচীংবা অমা ওইনবা তমবনি । মসিগী খোঙতাংশিং অমসুং মসিদগী ওইরকপশিং অদু ''লুচীংবা অমাগী হৌন-লোনচৎ'' তমখৎলিবা সমাজ অমাদা কৌই ।

ঐখোয় ইচম চমবা খুদমশিংদগী হৌশি । লনাই মীওই খরনা থাজে মদুদি মীশিং অসি তনগনলি অমসুং মখোয়দা নমদুনা থবক তৌহনবা নত্রবদি থবক তৌদে নত্রগা করিসু পুথোক্তে । অতোপ্পা মীওই খরনা অমুক থাজে মদুদি - মহৌশানা মীওইবসি হৈ শিংই অমসুং কাম্নে অদুগা থবক শুবসু পামই । মখোয়না দরকার লৈরিবসি মরুপ মপাং ওইবগী ইনভাইরোনমেন্ট অমা শাগৎপা অমসুং মখোয়গী থবক তৌবগী হৈনিংবদা অয়েৎপা অপনবা পীদবা অসিনি । মসিসু তোঙানবা খেৎনবা মওংনি । পৃথীবীদা য়েংবগী মওং অনী লৈ । অহানবগী অসিনা য়াথং তৌদুনা শেম্বা মওংগী মকোক মথং নাইবগী মনুংদনি অনীশুবা অসিনা য়ুমদা লৈবগুম, অব্রাই-অখুম তৌনববু থৌনা হাপ্পা অমসুং পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবনি । তশেংনা, ঐখোয়গী সংস্থাননা লনাইগী ওইবা ব্রাখল্লোনশিংবু ঐখোয়না অনীশুবা মওংগী তমখৎলক্লিবা সমাজদা লুচীংবগী হৌন লোনচৎপু মতৌ করম্না ঐখোয়না অনীশুবা মীৎয়েংবু শৌগৎপনি । ঐখোয়না দরকার লৈরিবা লুচীংবা অমাগী হৌনা লোনচৎকী মচাকশিংদু করিনো ?

*অতোপ্পা চৎকদবা লমচৎশিং* : ঐখোয়না অতোপদা চৎকদবা লমচৎশিং অসি য়াম্না মরু ওই । ঐখোয়না অতোপ্পগী মগুনশিংদু উননবা হোৎনগদবনি । মীওইবা খুদীংমক অফবা তৌনিংই । মী খুদীংমক লনাইগী অফাবা ওইনবা হোৎনৈ হায়বসি খঙগদবনি, অমসুং মহৈ নত্রগা মীংচৎকীদমক তৌদে হায়বসু খঙগদবনি । তৌইগুমবসুং মখোয়গী ব্রাখল্লোন অদু ফঙননবা পুক্লিং থৌগৎকদবনি । পুম্নমক্তগী হেম্না, মখোয়না পুম্নমকপু অমসুং মীওইবা মপুং ফনা খঙম্নবা হোৎনৈ । ঐখোয়গী মীৎয়েং অসিনা অতোপ্পশিংনা তশেংনা পামলিবদু করিনো হায়বদু খঙলমদবা য়াই । তৌইগুম্বসুং মসিনা মী খরনা ওইহননিংবা নত্রগা ওইগনি নীংবদু ওইসি হায়বা নত্তে । ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মনুং ফাওনা উবা চঙই, ইকাই খুম্নবা অকাইবা মওংদা তম্বীরীবা, হোংদোক হোংজিন য়াবশিং পম্থং য়ৌনবা দরকার ওই ।

*মগুনশিংদা পীবা* : ঐখোয়না মখোয়গী হক্কী মগুন অমসুং -মঙোনদা য়াওননবা তৌগদবনি । হক্কী মগুন হায়বসিনা ঐখোয়না ফোঙদোকলিবদি, ঐখোয় পুম্না ওইথোকপা য়মা থাজবা অমগী মথাদা থবক তৌমীম্নদুনা পৃথীবী অসি হীংবদা নুঙাইবা মফঢ় অমা ওইনবা হোৎনমীম্নবা অদুনি । থবক্কী মগুনশিংদা মোট পীনদুনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা থবকশিংদগী মরী থমদুনা ঐখোয়গী থবকশিংদগী ওইরকপশিং অদু হেম্না ফজবা ওইনবা মোট পীনরকপগী মওংশিং হেঙ্গৎহনগদবনি । মসিনা ঐখোয় ইশা ইতোমতা লেপচবা ঙমগনি ।

*অতোপ্পশিংগী দরকার লৈবশিংদু খঙবা* : তমখৎলক্লিবা সমাজ অমাদা লুচীংবগী হৌন-লোনচৎ অসিন তানলিবা অসি অতোপ্পশিংবু সেবা তৌবখক্তা নত্তে, হেম্না মরুওইরিবদি ঐখোয়না অতোপ্পশিং সেবা তৌবা পামলিবদুনি । মসি করিগুম্বা মতমতদা Servant Leadership কৌই । তৌইগুম্বসু অতোপ্পবু সেবা তৌগে খনবা অদুনা য়াদে । ঐখোয়না অতোপ্পশিংদা দরকার লৈরিবদু করিনো হায়বদু খঙননবা তমগদবনি । ঐখোয়গী অতোপ্পবু খঙবা ঙমনবা হৈ শিংবদু চাওখৎহনবা মথৌ তাই, ঐখোয় ইশাবু অতোপ্পশিংগী খোঙবু ওইহনগদবনি, মখোয়গী মীৎতা য়েংলগা সংসার উম্নবা হোৎনগদবনি । মসি তৌনবা ঐখোয়না ইশাগী অপাম্বা অমসুং ফৎতবশিংবু লঙশিম্নবা হোৎনগদবনি, তমথীবা ব্রারেপ থাদোকপ, অতোপ্পশিংদা ঐখোয়গী ব্রাখল্লোনশিং নমদুনা য়াহনবা, হোৎনদবা, মাম্নদবশিং য়াজবা, অশাওবা ফাথবা, অফবারোমদা অতোপ্পশিংবু হেম্ন খনবা, অতোপ্পশিং হৈ শিংববু খঙবা অমসুং ঙাকপীহৈবা তমগদবনি ।

---

৭ See Larry C. Spears, ed., *Insights on Leadership : Service, Stewardship, Spirit, and Servant Leadership*, *New York, John Wiley, 1998.*

*মীওইবগী দরকার লৈবশিংদা চাওখৎপগী মতুং ইন্না ফঙথ্রবশিং ওনবা :* তমখৎলক্লিবা সমাজ অমাদা লূচিংবগী হৌনা লোনচৎ অসিনা ফঙথ্রবা মগুনশিংগী চাংগী মফম তাকই । অদুম ওইনবক, মসিনা শীদোক্লবা থবক থৌরম অমগী মনুংদা ফজনা পাঙথোকখ্রবা থবক্তমক খন্নগনি । মসিনা ওনগদৌরিব্রসি মীওইবগী দরকার লৈবশিংদা ফঙথ্রবা অমসুং কান্নখ্রবা অদুনি । মসিনা থাজবা অমসুং পুকচেল শেংবা, অমসুং শরুক য়ারিবা মীশীংনা হেন্না কান্নবা লম্বী অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা হেন্না হেনগৎহনল্লি ।

*খঙবা কান্নবা :* তমখৎলক্লিবা সমাজ অমদা লূচিংবা হায়বসি অখাঙ কনগনি । কনা অমত্তনা অখাঙ কনবা য়াওদনা তম্বা ঙম্বা ঙমদে । চপ চবা অচুম্বা লমচৎ অমা খঙনবা লূচিংবা অমা ওইনা-ঐখোয়না অম্বাবা ময়োক্লবা অমসুং খুদোংথিবশিং ফাওদুনা চৎপা তাই । থৌনা, অখাঙ কনরা কৎথোকপা হায়রিবা গুনশিং অসি লূচিংবা অমা ওইনবা মগুনশিংনি ।

*পুন্না থবক তৌমীন্নবা :* তমখৎলক্লিা সমাজ অমদা লূচিংবগী হৌন লোনচৎ অসি ঐখোয়না পাউ ফাওনদুনা অমসুং কাঙলুপ ওইনা থবক তৌমীন্নে । পুন্না থবক তৌমীন্নরা হায়বসি তমখৎলক্লিবা সংস্থানশিংগী মচৎনি । পুন্না তৌমীন্নবা অসিদা অমনা অমবু ইকাই খুম্নবা য়াওই, মান্নদবশিং মান্ননবা হোৎনমীন্নবা, লনাই ৱাখল্লোনশিং পুনশিন্নবা হোৎনবা, য়েংথিনবা শংত্নাইননবা হোৎনবা, মী খুদীংমক ৱারেপ লৌবদা শরুক য়াহনবা অমসুং য়াওহনবা অমসুং সংস্থানগী মরীদা কাঙবু শেম্বা অসিনচিংবনি । ঐখোয়না লূচিংবগী তঙায়ফদবা তমননবা হোৎনগদবনি কাঙবুশিংগী মনুংদনি ।

*পুন্না তমীন্নবা :* পুন্না থবক তৌমীন্নবগী মওং অসিনা শরুক য়ারিবা মীশিংগী ৱাখল্লোন মতমচানা শাগৎপদা মতেং পাঙদুনা পুন্না তমীন্নবগী মওংদু পী । ৱাখল্লোনগী মওংদি মমীশিং, ভাপনা শাবশিং অমসুং ঐখোয়গী ৱাখলদা চৎথজরিবা ৱারীগী মওং অতোপ্পশিংগী মহে তমফম শঙগী অমসুং পৃথীবীগী ৱাখল্লোলশিংদুনি [৮] । ঐখোয়না Prism ফাওদুনা পৃথীবী উবা ঙমই । মখোয়শিং অদুনা ঐখোয়গী অচুম্বগা ইনাৎকা শমজিন্নহল্লি । মদুদি হৌখ্রবা মথং মনাও ওইবা ৱারীশিংগী চৎনবী অদু মরুপ মপাং ওইদবগী মওংদা তমজিবা সংস্থানশিংদা শেম্নবিদুনা লৈ । মরম অদুনা অসিগুম্বা লৈবসি হোঙদোক্লনবা হোৎনবা দরকার তাই । অদুম ওইনবক ৱাখল হোংদোকপা হায়বসি অরাইবা ওইদে মরমদি মখোয়শিং অসি ঐখোয়গী কোকতা মনুং হনজিন্না লৈবা খকতা নত্তনা মতম পুম্নমক্তা ৱাখলশিংদু খঙদোকপা ঙমদে । পুন্না থবক তৌমীন্নবা অদুনা অমগা অমগা খঙদবশিং ফোঙদোকন্দুনা পুন্না খঙমীন্নদুনা অমসুং চাশিন্নবা হোৎনবদা দরকার লৈবা অদুসু খঙবা ঙমই । পুন্না তমীন্নবা অসিনা অতেনবা অরাই অথুম তৌনদুনা, য়াশিন্নবা অপুনবগী ওইবা অমসুং অচৌবা কাঙলুপ অমা শরুক খরা শেম্বগী মহৎতা, মতেং পাঙনবা ঙমই । মসিগী অথদি মী খুদীংনা তৌবা ঙমবশিং অদু খঙন্দুনা মশানা মশাবু থাগৎচবা য়াবা অফবা ফল অমা পুথোকই ।

---

[৮] Peter M. Senge, Art Kleiner, Charlotte Roberts, Richard B. Ross, and Bryan J. Smith, *The Fifth Discipline Field book : Strategies and Tools for Building a Learning Organization, New York:* Currency Doubleday, 1994, p. 235. For a fuller discussion, also see Warren Bennis and Joan Goldsmith, *Synchronicity : The Inner Path of Leadership by Joseph Jawarski*, San Francisco : Barrett-Koehler, 1998, and *Learning to Lead: A Workbook on Becomming a Leader, Cambridge : Perseus, 1997.*

## *তমলিবা সমাজ অমাদা তৌগদবা থবক্কী মওং য়াৎথোকপা :*

হৌজিক ফাওবদা খন্নখিবা সমাজ অসিনা তমলিবা সমাজ অমদা লুচিংবা অমাগী তৌগদবা মওং য়াৎথোকপা অসি শয়া খঙবা ঙমবা য়াই । তমলিবা সমাজ অমাদা লুচিংবা অসি -

*নুপা নুপী য়াওনা :* মরুওইনা মীয়ামগী কাননবা থবক অমা তৌবা মতমদা নুপা নুপী খৎশয়দুনা তৌমিন্নৈ । খুৎপায় লাইরিক অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মহৈ য়ানবা পুন্সি অমা, মওং তাবা, অফবা পন্থুং অমা য়ৌনবা হোৎনবদা তোগদবা থবক য়াৎথোকপদা খুশমননা তৌমীন্নবা অসি ওইথোকই হায়বসি উৎতুনা তাকপনি । মসিনা মী অয়ামবা করিগুম্বা ব্রাখল্লোনশিং ফজনা শেম শারবদি লুচিংবা অমা ওইবা য়াই হায়বদুসু উৎলি। লাইরিক অসিনা নুপীশিংদা অতমনরবসু নুপাশিংগীদমকসু কান্নবনি । তশেংনা, নুপাশিংনা পীরিবা মওং অমসুং মতৌশিং অসিদা শরুক য়ারবদি হেন্না মায় পাকপা ওইগনি ।

*পাউ ফাওনবা :* লনাই মীওইশিংনা মখোয়না মরুওই হায়না খনবশীংগী মতাংদা মী অতোপ্পশিং ব্রারী শাই । অসিগুম্বা পাউ ফাওনবগী মওং অসি য়াম্না অর্থ লৈ । মী খুদীংমক করিগুম্বা খরা তৌবা ঙমই অমসুং তৌরিবা অদুগী মতাং খুদীং অদুনা লুচীংবা অমা ওইবগী মতাংশিংনি । লাইরিক অসিগী অমদি সমাজ অমদা পাউ ফাওনদুনা অর্থ লৈনা অমসুং লুচীংবগী খোঙথাংশিং অদু শন্দোক্লা তাক্তুনা অমসুং ব্রাখলদা শাগৎহৌনবা হোৎনবনি ।

*মরম চাবা :* পাউ ফাওনবা সমাজ অমাদা মরম অমা শন্দোক্লা তাকপা অসি মরু ওইবা থবকনি । মরম অমা শন্দোক্লা তাকপা অমসুং অসি তমবগী খোঙতাংশিংদা চঙই । চপ মান্ননা তৌবা ঙমবশি থবক ওনথোকপদসু য়াওই । করিগুম্বা মরম অমা শন্দোক্লা তাকপা অসিনা পাউ ফাওনবগী মচলশিং অদু ঐখোয়দা তাকই । মসিনা মদু মীয়াম পূম্নমক শরুক য়াব্রা নত্রগা য়াথংগী মওংলা, শেমদোক শেমজিন য়াব্রা হায়বদুসু খঙহল্লি । খুৎপায় লাইরিক অসিগী মরুওইবা মরম অমদি মরম অমা খোঙথাং অনীদা য়েংবনি ।

*শরুক য়াবা শেমদোক শেমজিন য়াবা :* পাউ ফাওনবা, শরুক য়ামীন্নবা সমাজ অমদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা মী অমগী মগুনবু মীওইবা অমগী মতিক মগুননি খন্না ইকাই খুমনৈ । লুচিংবা অমগী অতোপ্পশিংগী মগুনশিং অমসুং মওং মতৌ অদু লনাই মীওই অমগী অতোপ্পগী পন্থুং অদু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা ফঙন্নবা হোৎনবদা খোঙথাংশিং অদু শন্দোক্লা তাক্তুনা খঙহল্লি । খুৎপায় লাইরিক অসিগী মরম অমদি ঐখোয়বু পুন্না চপ মান্ননা শরুক য়ামীন্নবা অমসুং শেমদোক শেমজিন তৌদুনা ঐখোয়গী পন্থুং য়ৌনবা চঙশিনবদা মতেং পাঙবনি ঐখোয়গী চৎনবীনা ঐখোয়বু শেমদোক শেমজিন য়াহনদবা অমসুং য়াথং পীবগী চৎনবী লৈরবসু ।

*উপায় খঙবা :* 'অরোইবদা উপায়শিংগী অচুম অরান থীদে' হায়বা ব্রাহৈ অসি পৃথীবী পুমবনা খঙনরবা চৎনবীনি । ব্রাহৈ অসিগী অর্থদি হৌন লোনচৎ খঙবা মীওইবানা পন্থুং য়ৌনবা হোৎনবদা মরুওইবা নত্রগা খুদক্কী ওইবা হৌনা লোনচৎ নত্তবা উপাই শীজিনদে হায়বনি মায়কৈ অমরোমদা, অরোইবা অমসুং উপাই হায়বসিনা নক্লবা মরী লৈন্নৈ, অচুম্বা পান্দম হায়বসি মীওইবা অমসুং মচাকশিং য়াওদনা অমসুং পুকচেল শেংবা য়াওদনা ওইবা য়াদে । চুমদবা পান্দম অমগীদমক ইখোয়না অচুম চুমদা য়েংদনা পুকচেল শেংদনা পান্দম অমা থৌরম অমা হেক্তা শীনলোইদবনি ।

***‘তমখৎলক্লিবা সমাজ’ অমদা খ্বাইদগী ফরদু খণ্ডবা :*** খুৎপায় লাইরিক অসিদা ঐখোয়না তমখৎলক্লিবা সমাজ অমগী মরমদা শন্দোক্না তাক্লবা হায়দে । ঐখোয়না মীয়াম্গী চৎনবীদা, তমখৎলক্লিবা সমাজ হায়বসি চাওখৎলকপগী মনুং চনবা থবকনি ‘লুচিংবা হায়বসি তমবনি’ মসিগী য়াওদবা য়াদ্রবা লমচৎ শাজৎশিং মথক্তা পীখ্রে । অদুম ওইনমক লমচৎ শাজৎশিং অসি, লুচিংবা অমা ওইনবা হোৎনরিবা অমসুং চঙশিনলিবা সমাজ অমগী চৎনবীগী মখা য়াম্না পোল্লি ।

লাইরিক অসিগী অচৌবা থবকতি, ঐখোয়না য়েংলিব্রা মীৎয়েংসি নত্তবা অত্তোপ্পা লম্বীশিং লুচিংবা ওইবা তমবদা চঙবা মরী লৈনবশিং অদু নুপীশিংগীদমক্তা পুথোক্লক্লবা বর্তন তৌবনি । মসিগী লুচিংবা ওইবগী হ্বাখল্লোনশিংসি তমনবা মরী লৈনবশিং অদু ঐখোয়গী খুৎপাঅয় লাইরিক অসিগী মনুংদা য়াওরি ।

# পাউ ফাওনবা সভা শীনবা

## শীনলি লাংলিবা মীওইদা পীবা লমজিং লমতাকশিং

মসিগী লমজিং লমতাকশিং অসিনা, নঙনা সভা অমা শীনবা অমসুং সভাদুগী তমনবগী পান্দমশিং অমসুং নঙ নঙাগী শীন্ন লাংবা ওইবগী খম্ন-নৈম্নবা অমসুং মশানাশিংদা করম্না শীনগনি হায়বদুদা মতেং পাঙগনি। শীনলি লাংলিবা মীওই অমা ওইনা নঙনা সভা খুদীংদা মুম্না তাবা অমসুং সভা খুদীংমক মমায় চুমবা অসি নঙগী থবকনি। চৎনবগী ওঝা অমগুম্না অমসুং হৈরবা অমগুম্না, নঙনা কাঙবু অদুবু ব্রারোইশিন নত্রগা য়াম্নবা অমগীদমক থৌদাং লৌবা তৌরোইদবনি। নঙগী নথৌদি, সভাদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা অমসুং নঙ নশানা, থেঙনরকপশিং অদুদগী তমনবা হোৎনবা, মওং চাবা ফীভম্দা খম্ন নৈম্ননরা শীনবা, অমসুং পুম্না থবক তৌনবা হোৎনবনি। নঙনা হাম্না শেম-শাররা চেকশিনবা কা অমসুং চঙগদবা মচাকশিং হাম্না শেম্ববীদুনা থমগদবনি অমসুং অমবু ইকাই খুম্নহন্দুনা, ব্রাখল খনবা খম্ন নৈম্নবা অমসুং অমগা অমগা হায়দোক হায়জিন তৌনবগী খুদোংচবশিং শীনগদবনি।

*তমগদবগী পান্দমশিং*

শরুক য়ামীম্নবা, লুচীংবা অমা ওইনা তোগদবা খোঙথাংশিং, অসি মরু ওইনা তৌগদমা খোঙথাংশিং, অসি মরুওইনা : পাউ ফাওম্নবা, পুক্নীং চঙনা তাবা, ব্রাখল শাগৎপা, য়াম্নবশিং শেমগৎমীমম্নবা অমসুং খুৎপা শেমদুনা তমীম্নবনি। হায়রিবা খোঙথাংশিং অসি সভাগী শরুকশিংদা য়াওরবনি। করিগুম্বা মতাং থরদা নঙনা খম্ন নৈম্নবশিং অদু হেম্না কুপথনা খম্ননিংবা মতাং য়াওগনি।

*পাউ ফাওনবা :* লুচিংবগী মওং খুদীংমক কাম্ননিঙাই ওইবা পাউ ফাওদোকনবনি। লুচিংবসি মখোয়গী ব্রাখল্লোন অমসুং পান্দমশিংদু অতোপ্পদা ফজনা খঙহনবা ঙমগদবনি। অফবা লুচিংবদি, খঙজিনবদা, তাশিনবদা, শেম শাবদা অমসুং পাউ ফাওনবদা অফবা ওইগদবনি। মরম অসিদগী সভাসিগী পান্দমশিং অসি পাউ ফাওনবদা মপ্পাঙ্গল কনবা শরুক ওইগদবনি। সভাসিগী অয়ামবা পান্দমশিং অসি ইশাগী অমসুং লনাইগী পাউ ফাওম্নবদা মরুওইনা পী অদুগা অকোনবদা কাঙবু মশেলদা অমসুং মহৈতম্ফমশিংদা পাউ ফাওনবগী মওংদু তাকলি।

*তাবা :* লুচিংবশিংনা মখোয়গী অতোপ্পশিংগী ব্রাখল অমসুং পান্দমশিং অদু তাবা ঙমবগী পাঙ্গল লৈগদবনি। তাবা হায়রবসি শুপ্লুতংগী ইচম চম্না তাবখক্তা নত্তনা অতোপ্পশিংগী মোৎ অমসুং ব্রাফমশিংদা ইশাগী ওইবা কাম্নবা মোৎ পীম্নবা হোৎনগদবনি। কাম্নবা অতাবা অমা হায়রবসি, কাম্নবা লুচিংবা অমনি, অমসুং মনা তাবদুদগী তমবা ঙম্নবা অদুবুনি।

*ব্রাখল শাগৎমীম্নবা :* মায় পাকপা লুচীংবা অমা ওইবগী খোঙথাংশিংদা ব্রারেপ লৌনবা হোৎনবদা ব্রাখল শাগৎমিম্নবা অসি য়াম্না মরু ওই। অব্রাই অখুম তৌনদুনা, লনাইগা থাঙবুগা, অপীকপা অমসুং অচৌবা কাঙলুপতা অমগী ব্রাখল অমনা খঙন্দুনা, পুম্না খম্নমীন্দুনা অমত্তা ওইনা য়াম্নবা হোৎনগনি। ব্রা খম্নবা অসিদা অমনা অমগী ব্রাখল খঙম্নবা, অপাম্বা খনজবগী ওইথোকপা য়াবদু য়াওই।

করিগুম্বা কাঙবুগী খেন্নবা লেমহৌরবদি কাঙবুনা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎলোইদবনি । য়ানবা ব্রারেপ অমা লৌবা হায়বসি মান্নদবা ময়াম্ন থোক্লকপা অমসুং মতম চঙলবসু য়াই । মসিনা মীয়াম্না লৌবা খন্ন-নৈনবশিং অদু পুম্নমক্না য়াবা অমসুং মতুং ইনবা গুম্বা ওইগদবনি ।

*য়ানরবা অর্থ শেম্না :* অপীকপা কাঙবু অমসুং অচৌবা মহৈ তম্ফমশিং অসি য়ানরবা অর্থদগী থংবা, কান্নবা ফংবা য়াই । অব্রাই-অথুম, ব্রাখল শাগৎপা অমসুং য়ানরবশিংনা লেংদ্রবা ব্রাফম অমা শাগৎপদা মী খুদিংমক শরুক য়াই । য়ানরবা ব্রাখলশিং অসি চাশিন্নে অমসুং মতম অমগী ওইবা পন্থুং অমা ফংনবা হোৎনবদা শেমদোক শেমজিন য়াই । কাঙবু অমনা য়ানরবা অমা শেম্বা মতমদা নিতি নিয়মগী মনুংদা মীখুদিংমক্না মপু ওইবগী অমসুং থৌদাং লৌবগী ম্ওং উই ।

*খুৎপশিং তম্মিন্নবগী মওং :* খুৎশম্নুনা তৌমীন্নবা থবকশিংনা মদুদা শরুক য়ারিবা মশীংগী অনীংবদু পী । মহৈ তম্ফম শঙ অমদা মী থরানা কান্না মাইগৈ তাকপা অসি খুৎশম্নদুনা তম্মিন্নবা অসিদা শরুক য়ারিবা মীশিংদুনা মখোয়না তৌরিবা থবক্তুগা মরি লৈনবশিংগী মতাংদা ব্রাহং হংদ্রবা, মখোয়গী তোবা গুম্বাশিং অদু শিজিন্নদ্রবা নত্রগা মখোয়না তমথিবশিং অদু শরুক য়াদ্রবদি মদু খুৎশম্নুনা চৎমিন্নবা কৌদে । খুৎশম্নুনা তম্মিন্নবা হায়বা অসি ঐখোয় ইশানা ইশাবু য়েংজবা, মহৈ তম্ফমশিং চাওখৎনবগীদমক পুন্না তম্মিন্নবা অদুনী। মসিদা ইশাবু খঙহনবা অমসুং ইশাবু থাংদোকপা লোয়ন-লোয়ননা কাংবু পুন্না খংমিন্নবা অমসুং কাংবু পুম্নমক্না মশা মশাবু থাংদোকপা অসিনা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নবা অমসুং তম্মিনবগী থবক অমসুং মরমশিংনি । মরম অদুনা খুৎশম্নুনা তম্মিন্নবা অসি শরুক য়ারিবা মীশিংনা অমগা অমগা ব্রারী ব্রাতাই শান্নবদুনা ফল ওইরকপদা কান্নহল্লি মদুনা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নবগী লোইশিল্লকপা অমসুং জ্ঞান তাশিনবদা মরুওইবা ওইহল্লি । পুন্না তম্মিন্নবা অসিনা ফজবা মওংদা, মীপুম খুদিং শরুক য়ামিন্নবা অমসুং পোথোক পুথোকনবা পুন্না গুমিন্নবদা মী খুদিংনা তমজিঙৈদা মখোয়দা য়াওজবা ব্রাখলশিং অদু অতোপ্পদা হায়দুনা, অতোপ্পশিংদগী মখোয়না লৌশিন্দুনা পুন্না তম্মিন্নে [১]।

## *শিনলি লাংলিবা মীদুগী থৌদাং :*

কান্নবা অশিল অরাং অমা ওইনা সভাগী শরুক য়ারিরশিংগী মোট মুন্না তাশিনবা অসিনি । নঙগী নথৌদি মীতিন শেম্বা অমসুং সভাগী মশান্নাশিং অদু শরুক য়ারিবা মীশিংদা লম্বী তাকপনি । নঙনা হৈশিংবা লুচিংবা অমসুং ব্রাহং খুদিংগী পাওখুমপীবা গুম্বা অমা ওইবা দরকার ওইদে । মী খুদিংনা শরুক য়ারগা খন্ন-নৈনবা অদুগা মাই পাকপা খন্ন-নৈনবা ওইগনি ।

*ব্রারি শান্নবগী মাইকৈ তাকপা :* করিগুম্বা মতমদা নঙনা কাংবু অদুবু অনৌবা হেন্না কান্ননিংঙাই ওইবা মাইকৈদা চৎহন্নিংবা য়াই । নঙগী নথৌদি ব্রারী ব্রাতৈ অদু নঙনা পান্বদা চৎহনবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং নঙনা অতোপ্পা খন্নগদবা লৈতরে হায়না খল্লবদি খজিক্তং মমাই চুম্বা য়াই । মওং অসিদা মী খুদিংনা পুন্না তম্মিন্নবা অদুদা করিগুম্বা খরা থাংদোক্লে হায়না নঙনা খনবা য়াই । অফবা অশিন-অরাং অমনা থাজবা

[১] For a fuller discussion, see Peter M. Senge, Art kleiner, Charlotte Roberts, Richard B. Ross, and Bryan J. Smith, *The Fifth Discipline Fieldbook : Strategies and Tools for Building a Learning Organisation*, New York: Currency Doubleday, 1994

মী খুদিংনা মহাক্কী অপাম্বা অদু ফোংদোকচনবা মফম অমা শিনবিগদবনি । মসিদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা মশা-মশানা পামজদবা য়ানিংদবা অদু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা হাইদোকহন্নবা হোৎনবা অদু য়াওরবনি। মোট ফোংদোকপদা তুম্মিম্না লৈনখবসু হেন্না ব্রাশিনবা তৌরোইদবনি ।অসিগুম্বা মতাংশিংদা শরুক য়রিবা মীশিংনা মশান-মশাবু থাজবগা লোয়ননা ব্রা ঙাংবা ঙম্নবা নঙনা হোৎনবীগদবনি ।

*ইচং থৌবা খন্ন নৈন্নবা :* খৎপাই লাইরিক অসিদা য়ালরিবা সভাশিংগী ব্রাহংশি অসিনা ইচং থৌনা খন্নবা অমসুং মরৈ য়েৎননিঙাই ওই । ব্রাহংশিং অসি, লুচীংবা অমা ওইবগী খেন্নবা মওং মতৌশিং অদু তাকপনি । কাঙবু অদুনা মরী লৈনবা অমসুং খন্ননিংঙাই ওইবা খন্ন-নৈনবা ওইরিবা মকৈ, ভৃঙনা ব্রারীশিং অদু মকা তান্না শান্নবদা য়াগদবনি । অদুগীসু মথক্তা, খুৎপাই লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মশানা নত্রগা মওংশিং অসি নত্তবা, খন্ন-নৈনবা অদুবু হেন্না ফজবা মওংদা পুরকনবা নঙনা হেন্না ফজবা মওং হাপচিনবা য়াই (মখা তাবা মোটশিংগীদমক তপশিনবা ‘খ’ দা য়েংউ) । করিগুম্বা নঙনা কনাগুম্বা মীওই অমা ব্রা ঙাঙনবগী থৌনা ব্রাৎলবা অমসুং ইকাইরবা অদু ওইরবদি নঙ নশানা মোট অমা শেমদুনা মীশীংদুদা মখোয়গী মো্ট পীন্নবা হঙবা য়াই । নঙনা শরুক য়ারিবা লনাই মীওইশিংগী অব্রাৎপদা অমসুং দরকার লৈবশিং অদু খঙবা অমসুং কনাগুম্বা শরুক য়ারিবশিংদগী হেন্না হৈ শিংবা অমসুং তমীন্নবদা থৌদাং লৌবশিং খঙবা ঙমলবদি নঙ কান্নরবা অশীল অরাং ওইরবনি ।

*খন্নগদবা ব্রাফমদা থমবা :* মতম খরদা, শীনলি লাংলিবা মীওইদুনা খন্ন মৈরিবা অদু লমজীংবা ওইনা কাঙবুদা সভাগী খন্নগদবা ব্রাফমশিং মতম চানা ন্যীংশিংবা অসি ফজবা মওংনি । সভাগী মীশিংদুনা য়ামবা ওইরবদি মতম পুম্নমক্তা শরুক য়ারিবা মীওইশিংবু মরী লৈনবা ব্রাফমশিংদা তেন্না মোট পীন্নবা অমসুং অমনা ঙাঙখিবা অদু অমুক হঞ্জিনহন্দনবা অসিনা মতেং পাঙগনি । মসি মরুওইনা, শরুক য়ারিবা মীশিংগী মখোয়গী মোটশিং অদু মরী লৈনবা তোপিকতা ওইনবা হোৎনবা অসি নঙগী মোট অমসুং নীয়মশিং অদু লনাই মীওই অমদা অরোইবা ওইরোইদবনি । অদুগা অমুকসু শরুক য়ারিবা মীশিং অদু অতোপ্পগী মোটশিংবু ফজনা তাদুনা অমসুং থৌনা পীদুনা পুম্না শাগৎমীন্নবা মথৌ তাই ।

*থৌদাং য়ামীন্নবা :* ন২ঙনা সভাদুবু মপুঙ ফানবা লমজিং তাক্লবসু নঙনা থবক খুদিংমক নত্রগা সভা খুদিংমক অসিল অরাং ওইবগী দরকার তাদে । থৌদাং য়ামীন্নবা অসি সভা অমা শেমবগী শরুক অমনি । অচমবা খোঙথাং ওইনা শরুক য়ারিবা মীশিংবু মশা মথন্তা থোকচরক্তুনা কাঙবুগী নোটশিং পাথোকপা, খুৎপাই লাইরিকসিগী নীয়মশিং পাথোকহনবা নত্রগা সভা অমগী অশিল অরাং ওইহনবনি । শরুক য়ারিবা মীশিংবু, মখোয়না নোট তৌবদা মখোয়গী বনালগীদমক ব্রাহনলোইদবনি, মহাক্লা কম্না পারকপদা খোম্হোকীদমক খন্দনা, মঙোন্দা নুংঙাইজগদবা মওংদা অমসুং অতোপ্পশিংসু মাগুম্না ম্যা মথনতা থোকচরকনবা মওং ওইগনি ।

*য়াওমিন্নবা :* নঙনা খন্ন নৈনবদা য়াওগে নত্রগা য়াওরেই হায়বসি নঙোন্দা অদুম ওইনমক, নঙনা সভাশিং শেমলিবনি অমসুং চৎনবী অমনা পুনলিবনি হায়বসি ব্রাখলদা থমগদবনি, শরুক য়ারিবা মীশিংনা নঙগী মোট অমসুং ব্রাফমশিংদা হেন্না খঙজিনলকপা য়াই । মরম অদুনা নঙগী শরুক অদু অরোইবা থমগদবনি , অমসুং নঙনা মোট পীবা মতমদা নঙগী নশাগী ওইবা ব্রাখল্লোন পীগদবনি[১০] ।

[৮] For an excellent list of what facilitation is and is and is not, see " Part 1: Facilitating learning," in *In Our Own Words*, by Nancy Flowers, Bethesda : Sisterhood Is Global Institute, 1999.

***নশাবু নুঙাইহনবা :*** নঙ নশাসু শরুক য়রিবা মী অমা ওইনা সভাদুদা গ্যান ফঙনবা অমসুং নুঙাইনবাা শীনজগনি হায়বসি কাওরোইদবনি । নুঙাইথোকউ ।

## ***শরুক য়ারিবশিংগী থৌদাং :***

শরুক য়ারিবা মী খুদিংমক্ সভাদুদা মরম কয়াগা লোয়ননা লাক্কিবনি, করি ওইগদৌরিবনো হায়বগী খঙনিংবগা লোয়ননা লাক্তদৌরিবনি । মখোয়না থেঙনরকপশিংগী নত্রগা অতমননা লাকপা ওঝাসু ওইবা অমসুং ছত্রসু ওইগদবনি, অমসুং তমনবা লোয়ননা গ্যানশিংসু শরুক য়ামীয়বনি । শরুক য়ারিবা মীশিংনা পূক্কিং চঙনা তাদুনা ব্রাহং অদু মপুঙ ফাবা অমা ওইগনি । শরুক য়ারিবা মীওইশিং অদু খম্ন-নৈনবদা থৌদাং লৌবা, পুম্না থবক তৌমীয়বা নত্রগা অচৌবা কাঙবু ওইনা, অমসুং সভাগী খোঙথাংশিং অমসুং চঙশিনলকপশিং অদু পুম্নমকনা থৌদাং লৌমীয়গনি । মী খুদীংমক শরুক য়াবা অসিনা সভা মনুংদা অমনা অমবু ইকাই খুম্নবা অমসুং অখঙবা পুথোক্লবা অদুদা মতেং পাঙই ।

## ***মীটিন অমা শেম্না :***

মীটিন অমদা নঙ শেম শাদুনা লাকপসি য়াম্না দরকার ওই । সভাসিগী পান্দম, খুৎপাই লাইরিক অসিগী পান্দমশিং অদু অমদি মচাকশিং অদু লোয়নমক খঙবা তাই । নঙোন্দা করম্বা মচাকশিং দরকার লৈবগে অমসুং করি তৌবা তাবগে হায়বদু পুম্নমক হন্না শেমগদবনি । সভাশিং অসি, ওফিসতা লনাই মফমশিংদা, মীয়াম তীনফমদা, শরুক য়ারিবা মীশিংনা নুঙাইগদবা মফম অমদা হেক্তা শীনবা য়াই ।

নঙনা শরুক য়ারিবা মীশিংদা মশা মশাগী কলম চে পুরক্লবা হায়বা য়াই, নত্রগা নঙ নশানা মখোয়দা পীবা য়াই । নঙনা পীগদৌরিবশিং অদু সভা শীনগদৌরিবা মফমদুগী মখা পোল্লী, নঙনা Chalk, Chalkboard নত্রগা অঙাংবা মার্ক তোম্নবা কলমশিং পুবা য়াই । অদু নত্রগনা চে শিং অমসুং ফকলাংদা নপ্পনবা গমশিং পুবা য়াই । সভা মনুংদা Chalk নত্রগা চেশিং অদু নোট লৌবদা শীজিম্নদুনা কাঙবুদগী মশীংনা মখোয়গী ব্রাখলশিং অদু অসুক অইবা ওইনা উবা ফঙননবা থেংগদবনি । খম্না নৈনবা মনুংদা লৌবা রেকোর্টশিং অদু অপাকপা চেবাংদা অঙাংবা ময়েকনা ইদুনা থমবা য়াই মদুনা অইবা নোটশিং অদু তুংদা শীজিম্নবা অমসুং সভাশিং লোয়রকপা কান্দা কাঙবুগী ব্রাখল্লোনশিং খঙননবা থমবা কান্নগনি ।

খুৎপাই লাইরিক অসিগী তৌগদবশিংগী শরুক্তা কাঙবু অদুবু কাঙবু মচা মচা থোকতুনা থবক তৌননবা হায়বা য়াওরি । করিগুম্বা শরুক য়ারিবা মী খুদীংনা খুৎপাই লাইরিক অসি অমমম পায়নদ্রবদি, নঙনা খুৎপাই লাইরিক অসিদা পীরিবা নীয়ম নীয়মশিং অদু অচৌবা ময়েকনা চে অয়াদা ইথোক্লুনা ফকলাংদা মী খুদীংনা উম্ননবা থেৎলু ।

অয়াম্বা সভাশিংদি চাওরাক্লা পুং অনী/মখায় দগী অহুম ফাওবনি । নঙনা পান্নবদি সভা মনুংদা করিগুম্বা থরুবা নত্রগা চান্নবা শরুক য়ারিবা মীশিংবু নুঙাইনবা পীবা য়াই। ওইথোকপা য়াবা অমনা শরুক য়ারিবা মীশিংদা মখোয় মশনা চানবা পুজরকনবা হায়বা য়াই । পুম্নমক অসি তশেংনা নঙনা ফজগনি খন্না অদুদা তৌগদবনী । নঙনা শরুক য়ারিবা মীশিংদা, মখোয়না করি পাম্নলিবগে, অমসুং

সভাসি করম্বা মওংদা ওইহনবা পামবগে হায়বদু নঙনা অহানবা নুমীৎতা হঙবা ঙমদবসু য়াই । খ্বাইদগী মরু ওইবদি হান্না মাংজোংননা করি দরকার ওইবগে অমসুং সভা অদু করম্না শিংগনি হায়বদু নশানা শেমগদবনি । নংনা দরকার ওইবা পীবা য়াবশিং :

- ☐ কলম/পেনসিল
- ☐ চে
- ☐ অপাকপা চে মরু ওইবশিং তাক্লবা
- ☐ Gum, tap (নপনবা)
- ☐ Flip Chart
- ☐ Colour Marker
- ☐ Chalk
- ☐ নীয়মশিংগী Copy
- ☐ গাড়ী
- ☐ থকনবা/চানবগীদমক
- ☐ Cup, Plate, Napkims paper

*অহানবা সভাদা :*

*নঙনা থুংবা মতমদা :-*

অহানবা নুমীৎতা, নঙ ঙন্না চৎতুনা, তৌগদৌরিবা কা অদু নংনা পামবা মওংদা শেম্মু। মফমদুদা, মৈ, মৈশা অমসুং নুংশীৎ মরাং কায়না ফঙবরা য়েংশিল্লু । মফমশিং অদু নঙনা পাম্বা মওং ওইরবরা য়েংউ । অদুগা কোয়না ফমবা অসিনা খন্ন নৈনবা সভা অমা শেমবগী খ্বাইদগী ফবা মওংনি । কোয়না ফমন্নবা শীনবা অসিনা মী অমগা চপ মান্নবা মীৎয়েং অমসুং অমনা ঙাওবা মতমদা লেমহৌরিবাশিং অদুনা তাবা অমসুং উবা ফঙনবা মওংনি ।

*শরুক য়ারিবা মীশিংনা থুংলবা মতমদা :-*

শরুক য়ারিবা মীশিংনা থুংলবা মতমদা মখোয়বু তরাম্না ওকউ। মসি মরুওইনা খঙনদ্রিবা মীশিংগীদমক য়াম্না মরু ওই । মখোয়না নঙবু হান্না খঙদ্রবদি, নঙ নশানা নশাবু তাকচগদবনি অমসুং নঙ নশামক সভাদু শীনলিবা মীওইনি হায়বদু খঙহনগদবনি । মফমদুদা চান্নবা ফঙলবদি মদু চামীন্নবা হোৎনবদা মখোয়বু মতেং পাঙহনল্লু অমসুং মনাক নকনা ফমদুনা মখোয়বু মশা মশানা শক তাকহল্লু ।

*ন্নাহৌদোক :* মী পুন্নমক থুংলরবা মতমদা, কাঙবুগী অকোইবদা চৎতুনা মী খুদীংমক মশা মশানা শক তাকহনগনি । করিগুম্বা শরুক য়ারবা মীশিংদু অমনা অমাবু শক খঙম্নবা ওইরবদি, নঙনা, মখোয়না সভাসিদা শরুক য়ানিংলিবাগী অশাশিং অদু তেন্না হায়নবা হঙবা য়াই । নঙসু মসিদা শরুক য়াগদবনি । মসি হঙবগী মরু ওইবা মরমদি, মখোয় মশেল অমনা অমবু খঙজনবা অমসুং ন্না ঙাঙথোকপা নুঙাইনবা শেমবনি ।

*শনদোক্লা তাকপা :* হৌরকপদা শরুক য়ারিবা মীশিংদা ঐখোয়না সভাসিদগী করি তমগদৌরিবনো অমসুং খন্ন নৈগদৌরিবনো হায়বদু অমসুং অতোপ্পা সভাশিংদা তৌগদবশিং অদুম্না হায়গনি । য়ম্মাংদ খন্নখিবা তমনবা পান্দমশিং : পাউ ফাওন্নবা, মুম্না তাবা, ব্রাখল শাগৎমীন্নবা, য়ান্নরবা ব্রাফমশিং খন্নবা অমসুং পুম্না চঙশীনমিন্নবা শিং অসিদা ব্রাখল্লোনশিং অসিনা কাঙবুদা করি ফাওবগে হায়বদু হঙবা য়াই । হাপচিনবা ওইনা, নঙনা খনবা য়াই :

- ☐ সভা খুদীংমক চাওরাক্লা পুং ২.৩০ দগী ৩.০০ ফাওবা চঙবা য়াই ।
- ☐ পোখাবা মতমদসু মতম মাঙহন্দনা শেম্নবা
- ☐ তোয়না, মশা মথল্লা থোক্লজুনা নোট তৌবদা, মতম ঙাক্লবা, লাইরিক্তগী পান্নবা,

খন্ন নৈনবদা অশিল অরাং ওইনবা, কাঙবুদগী মী থোক্লক্লবা তোয়না হঙবা ।

*সভাগী মওং :* খুৎপায় লাইরিক অসিগী সভাশিং অসি শরুক অহুম থোকই , ইশাগী লুচিংবগী মওং চাওখৎহনবা (অহানবা শরুক); অতোপ্পগা পাও ফাওনবা (অনিশুবা শরুক) অমসুং পুম্না তামীন্নবা হেঙ্গৎহনবা (অহুমশুবা শরুক) নি । লুচিংবগী সভাশিং অসি লনাই লুচিংবগী চাওখৎহনবদগী কাঙবুদা নত্রগা কাঙবু শাগৎপদা ওনলজুনা মহৈ তম্ফমশিংগী থাকতা অফাবা লুচিংবা অম্না ওইনবা হোৎনরকপনি । সভা খুদীংগী অহৌবদা সভাদুগী পান্দমশিং শম্না তাকলি । মসিনা অহানবা সভা হৌবদা নত্রগা অহানবা শরুক অদুগী ব্রাহৌদোক অদু খঙহনবদা মতেং পাঙই । মথং তারকপদা মী খুদীংদা হংনিবা ব্রাহং লৈরিবা হঙবসি শোইবা য়াদে ।

## *সভা খুদীংগী চৎনগদবশিং :*

সভা খুদীংমক চপ মান্নবা মওংগী চৎনগদবশিংনি । অদুম ওইনমক সভা খুদীংমক চপ মান্নবা থবকতি ওইদে । পান্দমশিংগী মখা পোল্লী, সভাশিং অসি মখাগী মচাকশিং অসি য়াওই ।

*হৌদোকপা :* সভা খুদীংগী ময়োক্লবা লমায়দা, হৌরকপদগী মমীং 'লুচিংবগী শাগৎনবা য়ুম্বীশিং' থারি । মসিগী মনুংদা সভাশিংগী থিম য়াওরি, অমসুং 'লুচিংবগী শাগৎনবা য়ুম্বীশিং' হায়বা চেপতরদগী মরী লৈননবা লৌদুনা শীজিন্নবা য়াই, লোয়ননা খন্ন নৈনবদা ইচং থৌহনলি ।

*সভাগী পান্দমশিং :* - সভা খুদীংমক পান্দমশিং হুম্না পীথোকই । মসিনা সভাদুদা লৈরিবা মরুওইবাশিং, অমসুং সভাগী মান্নশিং অমসুং ব্রাহংশিং অদু খঙবদা মতেং পাঙই অমসুং মদুনা খন্ন-নৈনগদবা ব্রারিশিংদা মতেং পাঙই । সভাদু হৌরকপদা নত্রগা লোয়শিনলকপা নত্রগা মতম অমদা পান্দমশিং অদু পাথোক্কে হায়বসি নঙোন্দা লৈরে ।

*নঙ হৌদ্রিঙেদা :* সভা ১, ৯, অমসুং ১২ তা Box মনুংদা অসিন অরাং তৌরিবা মীওইদুদা পীবা লমজিং পাথাপশিং লৈ । মখোয়শিং অসিনা শীনলি লাংলিবা মীওইদুদা মহাক্কী ব্রাখল ময়াম চুমবদা হৌরকপদা, মম্নাইব্রাইদা অমসুং সভাগী অরোইবা শরুক্তা মতেং পাঙই ।

*শীনলি লাংলিবা মীদুদা পীবা মোট :* সভা খুদীংদা অশিল অরাং তৌরিবা মীদুদা সভাগী মশান্নশিং অমসুং ব্রাহং পাউখুমগী মতাংদা মোট পীরি । মখা তাবা শীনলি লাংলিবা মীওইদুগী মচাকশিং , পান্মৈশিং

অমসুং হৈ শিংনবা অদু Box অমাগী মনুংদা সভা খুদীংগী হৌরমদাইদা পীরী । অসিগুম্বা Box অসি তপশিনবা 'খ' দা অহেনবা শীজিন্নবগীদমকসু পীরি ।

*মশান্নশিং :* সভা খুদীংদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা পুনা ওইনা তৌমীন্নবা মশান্না অমা নত্রগা অনী পীরি । মশান্না অসিগী পান্দমদি লুচিংবশিংনা পাউ ফাওনবগী খোঙথাংশিং অদু খঙন্নবনি । মসি সভাদুদা ভীনতিবা মীশিং অমসুং নঙনা পীরিবা শরুক য়ারিবা মীশীংগী দরকার লৈবশিং অদুগী মখা পোল্লী, নঙনা মশান্নশিং অদুগী মওং মতৌশিং অদু চাশিন্নবা নত্রগা চাশিন্নদবা য়াই । সভা অনী লাইরিক অসিগী মচাকশিংগা মান্নদবা য়াই, নঙনা শেমদোক শেমজিন য়াহন্দুনা কাঙবু খুদীংনা অফবা মওংদা ওইনবা শেম্বা য়াহনগদবনি । মশান্না খুদীংগী তুংদা খন্ন-নৈন্নবশিং লাকই ।

*খন্ন নৈন্নগদবা ৱাহংশিং :* খন্ন নৈননবা ৱাহংশিং অসি অখন্নবা হীরম অমদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা খঙবা ঙমন্নবা শেম্বনি । ৱাহং খুদীংমক মমাংগী ৱারীশিংগা মরী লৈননা লাকপনি । মসিনা নঙগী অহানবা লুচীংবগী সভা শীনবা ওইরবদি, খুৎপায় লাইরিক্তা য়াওরিবা ৱাহংশিংগী মতুং ইন্না চৎপনা অফবা ওইগনি । মথং শীনবা সভাশিংদা নত্রগা মতুংদগী সভাশিংদা অতোপ্পা মখলগী ৱাহংশিং অমসুং অহেনবা ৱাহং হাপচিনবনা হেন্না কান্নগনি । পুম্নমক অসি নঙোন্দা লৈরে । অদুগীসু মথক্তা নঙনা মী অমা খন্ন-নৈনবদা অশীন অরাং ওইনবা হেন্না ফজবা ৱারী ৱাতাই ওইহনগদগে হায়বা খঙলম্বা ওইবসু য়াই । মসিদা খন্ন নৈনবা অচুম্বা অমসুং অরানবা ৱাহং লৈতে, অদুবু ৱারী ৱাতাই অদু খন্ন নৈনবদা নুঙাই অমসুং কান্নবা ওইগদবনি ।

*কাঙবুদা হঙগদবা ৱাহংশিং :* কাঙবুগী অকোইবদা ৱাহং হঙবা অসি শরুক য়ারিবা মী খুদীংদা শরুক য়াহনলি । মসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মখল কায়াগী মোটশিং নত্রগা খন্ন নৈনরিবা হীরম অদুদা মখোয়না থেঙনরকপশিং অদু ফোঙদোক্লদুনা পাঙ চাওবা ৱাখল্লোন অমা শাগৎনবনি । অতেনবা মতম ওইরবসু মী খুদীংনা শরুক য়ারবদি ফজনা চৎথগনি, অদুগা কনাগুম্বা অমনা ৱা ঙাঙনিংদদুনা থঙনবদা লানখীবা য়াই হায়বসি মী অমনা করিগী ৱা ঙাংনিংদ্রিবনো হায়বগী মরম কয়াম লৈ, মদু ঐখোয়না ইকাই খুমনগদবনি । অদুম ওইনমক, মী অমনা ৱারী ৱাতাইদা খজিক খজিকতমক য়াওরবা অমসুং থবকশিংদা শরুক য়ানিংবগী মওংদু নঙনা খঙলবা অদু ওইরবদি, নঙনা মঙোন্দা তোঙান্না মানা খনবদু নঙোন্দা হায়নবা হোৎনগদবনি । মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং অদু য়াম্নমক দরকার লৈ হায়বসি মঙোন্দা ফাওহনগদবনি, অমসুং সভাদা থেঙনরিবশিং অদু গ্যান ওইনা লৌশিনহনগদবনি করিগুম্বা মশানা হায়দোকনবা হোৎনদ্রবদি, সভাদুগী পান্দমশিং অদু মাগী দরকার লৈবা ৱাখলগা চান্নবা হোৎনগদবনি । শরুক য়রিবা মীশিংনা সভাশিংগী মরক্তা অমাদা হেক্তা নুঙাইবা ঙমদ্রবদি নত্রগা কান্নবা ফঙদে হায়না খনলবদি মদু মখা নমদুনা চৎথন্নবা হোৎনরোইদবনি ।

*কাঙবুশিংনা তৌবা থবক :* সভা কয়াদা কাঙবুশিংনা তৌগদবা কয়া য়াওই । মসি মশান্নশিংদগী লাকপনি মরমদি কাঙবু অদুনা ৱারেপ অমা লৌবদা অমত্তা ওইনা শরুক য়ান্নবনি । কাঙবুশিংনা তৌবা থবকশিং অসি ঈ পাউ ফাওদোক ফাওজিন চাওখৎহন্নবা, তান্নবা, অপুনবা ৱাখল্লোন শাগৎনবা, য়ানবা পুরক্লবা অমসুং সংস্থান অমা শেমবদা পুন্না তমীন্নবগী হৈ শিংবশিং অদু পোকহল্লি । শরুক য়ারিবা মীওই খরদি, ময়াম পুন্না থবক তৌমীন্নবা অসিনা লনাই তৌবদগী নত্রগা অপীকপা কাঙবু তৌমীন্নবদগী হেন্না লায়না লৌবা য়াওই । অতোপ্পশিংগীদমক্তি কাঙবুগী ওইবা মশান্নশি অসি মখোয়দা শীংনবা ওইনা থোকই । কাঙবু পুন্না তৌমীন্নবা অসিদা অশিল অরাং ওইরিবা মীদুনা অপীবা সমাজদা অদুদা পুন্না থবক তৌমীন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মরুওইবা শরুক অমা লৌই । অতোপ্পশিংসু পুন্না থবক তৌমন্নবদা অশিল

অরাং ওইবা য়াই হায়বসি নীংশীংগদবনি । করিগুম্বা শরুক য়ারিবা মীওই অমানা অশিল অরাং ওইপ্রবদি, নও কাঙবুদা চঙদুনা শরুক য়াবা মী অমা ওইনা লৈগদবনি ।

*য়েংশিনগদবশিং :* সভাশিংগী তমীন্নবগী খোঙথাং অমসুং মওং মতৌশিংদা ব্রাহংশিং অদু য়েংশিনগদবনি । ব্রাহংশিং অদুনা শরুক য়ারিবা মীশিংদা, মশান্নশিং মরমদা মখোয়দা করি ফাওই হায়বদু তাকনবা তনজা পীগদবনি অমসুং শীনল্লি লাংল্লিরা মী অদুনা করম্না মখলগী মশান্ননা কাঙবু অদুনা হেন্না কান্নবগে হায়বদু খঙবা ঙমই ।

*সভা লোয়শিনলকপদা হঙগদবা ব্রাহংশিং :* সভাগী মতাং অহমদা, হায়বদিঅহানবা তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা সভাদা, সভা লোয়শিনবগী মওং য়াওরি সভা শিংদা হঙলিবা ব্রাহংশিং অসি হনজিন হনজিন্না হঙদুনা শরুক য়ারিবা মীশিংগী ব্রাখল্লোনশিংদু খঙন্নবা হোৎনৈ । লোয়শিল্লকপগী শরুকশিং অসিনা অশিন অরাং ওইরিবা অদুদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা করি খনবগে অমসুং খন্নবদুগী মতুংইন্না করম্না তঙশীনগদগে হায়বদু তাকই । করিগুম্বা মতমদা নঙনা সভাগী পান্দমশিং অদু নীংশিংবা দরকার ওই, মদুনা শরুক য়ারিবা মীশিংদা সভাশিং অসিদা মরুওইনা নৈনগদৌরিবশিংদু পুন্না জ্ঞান তামিন্নবা । নঙনা লোয়শিল্লকপদা তশেংনা তৌগদবা অসি, অশিনবা, নোট লৌবা, অমসুং য়ারিবমখে শরুক য়ারিবা মীশিংদগী নঙনা মতুংদা করম্না হেন্না ফজবা সভা শেম্নগনি হায়বগী য়োট লৌবা অদুনি । তশেংবা হায়দোকপা ময়ামবু ইকাই খুম্নবগী মওং অমসুং শেমদোক শেমজিন য়াবা মওংদা নঙনা লৈবা, অদু ওইরবদি লোয়শিল্লকপদা নঙোন্দসু হেন্না মতেং পাঙগনি অমসুং শরুক য়ারিবা মীশিংদসু কান্নবা ফঙগনি ।

*মথংগী সভাগী নীয়ম :* করিগুম্বা মতমদা সভা অমা লোয়শিল্লকপদা মথংগী সভাগী নীয়ম পীবা থেঙনগনি । অদুগা 'য়ুমদা তোরক্কদবা' হায়বা শরুকশিং অসিনা হায়রিবনি, শরুক য়ারিবা মীশিংদা পোৎলুক পীশিনবা নত্তে, মসিনা হায়রিবসি শরুক য়ারিবা মীশিংনা থৌরাং তৌদুনা খন্ন নৈনবগীদমক লাক্লবনি । অদুম ওইনমক নীয়ম পীবা নত্রগা পীদবা হায়বসি নঙোন্দা লৈরে, নঙনা নীয়ম পীরোই হায়না খনলবদি মথংগী সভা হৌরকপদা মখোয়গীদমক মতম ক্লায়থোকপা হায়বসি শোইদ্রবনি ।

***<u>সভা লোয়শনরা :</u>***

সভা অমা লোয়শিনবা হায়বসি কাঙবুদুগী মখা পোল্লী । মপলশুবা অমসুং ১০ সুবা সভাদ, নঙনা কাঙবুদা করম্না সভা অসি লোয়শিনসিগে হায়বগী ব্রাহং হঙবা য়াই । হান্না য়াৎথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই অমসুং অদু ওইরবদি শরুক য়ারিবা মীশিংনা মখোয়ন্না পামজবা নত্রগা নিংজবা অদু য়ৌরবরা নত্রগা য়ৌদ্রিবরা হায়বদু খঙজে । কাঙবুদুনা চৎত্রিঙৈদা লোয়শিল্লকপগী অহাংবা অদু মেনশিনহনবা কাওরোইদবন । মসিনা মতুংদা পাঙথোক্কদবা সভাশিংদা খুৎপায় লাইরিক অসিনা কান্নবা য়াম্না পীগনি । অদুগা মখোয়না মেনশিল্লিবা অমসুং মখোয়না পীনিংবা পাও পীরকপা মতমদা মদু অতোপ্পা কনা অমত্তদা খঙহদে হায়বসি মখোয়দা খঙহনগদবনি । লুচিংবা ওইবা শেমগৎপা হায়বসি শাংলবা থবক অমনি, শরুক য়ারিবা মীশিংনা মদু চাশিন্নরা অমসুং মখোয় মশেল পাউ ফাওনবদুনা থবক তৌমীন্নবা অসি সভা অদু লোইখ্রবা মতুং মতম খরগী মতুংদা তৌরবসু কায়দে ।

করিগুম্বা মতমদা, শরুক য়ারিবা মীশিংনা সভাশিংগী মখা তাবা থবক থৌরম পায়খৎনবগীদম সংস্থান অমা নত্রগা কাঙবু অমা শেমনিংবা য়াই অসিগুম্বা মতাংদা, থা খরা লৈরগা মখোয়না তমখিবশিং অমসুং মদুনা করম্না পানশিনবগে হায়বদু খঙশিনবা য়াই । মখা তাবশিং অসিদি শরুক য়ারিবশিংগীনি ।

# সভাগী শরুকশিং

# অহানবা শরুক

## ইশাগী ওইবা লমজিংবগী ৱাখল চাওখৎহনবা

ঐখোয়গী সমাজদা নুপীশিংবু, খম্ন নৈনবা অমসুং ৱারেপ লৌবদা মখোয়না শরুক য়ারবসু মখোয়গী ৱাখল্লোনশিংবু উবিদনা অমসুং তাবিদনা নাথৈদুনা থম্মী। করিগুম্বা হিরম অমা খন্নবা, থবক্কী মতাংদা অমসুং ইমুং মনুংগী ওইবা ৱাফম খন্নবদা, নুপীশিং শরুক য়ারবসু লাইনা শেংনা উবদি ফংদে। মসি করিগীনো ? মসিগী মরম কয়া লৈফম থোকই, নাৎকী ওইবা, পুৱারীগী ওইবা ইতিহাসিক ওইবা, লনাইগী ওইবা মরম কয়া লৈফম থোকই। ঐখোয়গী সমাজদা নুপী খরদি মশাগী ৱাখল্লোনশিং খঙজবা ঙম্নবা মহৌশাগী ওইবা খুদোল লৈজে। ঐখোয় ইশানা ইশাগী অপাম্বা খঞ্জবা অমসুং লৌজবা অসি নুপীশিং অসিদগী ঐখোয়না তম্বা ঙম্মী। মসিগী সভা অসিদা থবক ওইনা পাংথোক্কুনা অমসুং মরুওইনা নৈনরিবা অসি, শরুক য়ারিবা মীশিংবু লমজিংবগী নীয়মশিং অমসুং মশানা মশাবু শক্তি পাইজনবা মওংশিং অসিনা নৈনদুনা তাকপনি। খম্ন নৈনবা খুদিংমক শরুক য়ারিবা খুদিংদা মতেং পাংগন্নি অমসুং কান্নহনগনি হায়বদি নত্তে। ওইনিংবা ফিবম অমদা হেক্তা লমজিংবগী মগুনশিং অমসুং হৈ শিংবশিং অদুদগী নহাক্কা চুমলে হায়না খনবা অমা হেক্তা লৌখৎপা য়াই। সভা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি শরুক য়ারিবা মীওই খুদিংমক্কা মখোয় মশাদা য়াওজরিবা মগুনশিং অদু খঙজনবা অমসুং ফোংদোকচনবা অমসুং করম্বনা চান্নবগে হায়বদু খঙজনবা হোৎনরনি।

সভা অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা মখোয় মশানা মশাবু খঙজনবা অমসুং মখোয়না অমসুং অতোপ্পশিংগা করম্না খম্ন নৈন্নগদগে, অমসুং শেমদোক শেমজিন য়ারা অহেনবা অমসুং অৱাৎপা ৱাঙাং শঙাংশিং অদু থংননবা মওংদা শেম্মী। অদুম ওইনমক পাওখুম পীবা মতমদদি সভা অদুগী অকোইবদা চত্তুনা শরুক য়ারিবা মী খুদিংমক চুশিন্নহনগদবনি অদুগা কান্নগুম্বা শরুক য়ারিবা মীওই অমনা ইচম চম্না ঙাংনিংদ্রবসু অমসুং থংনবা মীদা ঙাংবিনবা ইনশিনলবসু পুম্নমক অদু য়াগদবনি।

সমাজগী অচুম্বা লমজীংবগী মওং অমা ফংনবগীদমক, ঐখোয়না অৱাবা মায়োক্নবা তম্বা তাই অমসুং খুদোংথিবশিং লাম্হোক্কুনা চৎপা তাই। থৌনা লৈবা খাঙবা কনবা কখোকপা, ফাজিন্দুনা থম্বা, অসিনশিংবা অসি লুচিংবা অমা ওইবদা দরকার ওইবা মগুন খরনি।

# সভা অহানবা

## লুচীংবা হায়বসি কনানো ?

**সভাগী পান্দমশিং**

- ☐ অফবা লুচীংবা হায়বসিগী অর্থ করিনো হায়না খন্নবা অমসুং অশেংবা লুচীংবা অমা ওইবগী মওং মচৎশিং অদু খন্নবনি ।
- ☐ শরুক য়ারিবা মীওইশিংগী ব্রাখলদা লুচীংবা অমা হায়বসি কনানো অমসুং কমনা লুচীংবা ওইবা ঙমগদবগে হায়বদু নৈনবনি ।
- ☐ ঐখোয়না সভা অসিদগী থবক ওইনা পাংথোকমিন্নবগী মরমদা নৈন্নবা ।
- ☐ শরুক য়ারিবা মীওই খুদিংনা মখোয়গী খনজবা অমসুং নিংজবশিং অদু সভা ১১ মক খন্নমিন্নবা ।

***নঙনা হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা :*** সভা অসিগী শিল্লি লাংলিবা মীওই অমা ওইনা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা লাকপা মতমদা করি তৌগনি হায়বশিং অদু 'সভা অমা শেম্বা অমসুং পাও ফাওনবা' হায়বা শরুক অসিনা মরুওইবা মওং খরদি তাক্লবনি । মতিক চাবা সভা শিনবা মীওই অমা ওইনা নঙনা তৌগদবা অসি, সভাশিংগী মীওইশিংগা তোইনা ব্রারী শান্নবা খন্ন নৈন্নবদা ইচং থৌহনবা, মরুওইবা খন্নগদবা ব্রাফমদা পুরক্লবা হোৎনবা, অতৈ শরুক য়ারিবা মীওইশিংগুম নঙসু খন্ন নৈন্নবদা শরুক য়াদুনা নঙনা তৌরিবা থবক্তুদা নুংঙাইজবা , পেনজবা অমসুং নঙ নশামকসু করিগুম্বা অনৌবা খরা তমলিবনি খন্দুনা নুংঙাইনা শরুক য়াগদবনি ।

***শিনলি লাংলিবা মীদুদা পীবা মোট খরা :*** Asma Khader না ইবা মখাগী ব্রারীসি লাওনা পাথোকউ । মহাক্কী মোট মতুংইন্না লুচীংবা হায়বসি করিনো অমসুং লুচীংবা অমগী মওং মতৌ অদু করিনো খন্নৌ । মসিগী মতুংইন্না পীরিবা ব্রাহং অসিনা খন্ন নৈন্নবদা মতেং পাংগনি । মীওই অমনা - শিনলি লাংলিবা মীওই নত্রগা শরুক য়ারিবা মীশিংগী মরক্তগী অমনা মরুওইবা ব্রাহৈশিং অদু চে দা নত্রগা ফক্লাংদা থেৎপা বোর্টতা ইথোকপা য়াই ।

> শিনলিবা মীওই অদুনা 'ব্রাহং পাওখুমগী মওং' অসিনা হেন্না ফজবা মওং ওইগনি । খন্না নৈন্নবা অসি চথরকপা মতমদা শিনলিবা মীওই অদুনা সভা অদু হেন্না ফজবা ওইনবগীদমক অহেনবা ব্রাহংশিং হংবা য়াই ( খরা হেন্না খংনবগীদমক 'তপশিনবা খ' দা য়েংউ ।

## *নুপী অমদা খেৎনবা পুরকপা ঙম্মী :*

**Asma Khader : Human Rights Activities**

“ঐ ইশামক লুচীংবা অমা ওইরা হায়বদুদি চপ চান্না হাইবা ঙমদে, তৌইগুম্বসুং লুচীংবা অমা ওইনবগী মচাক্তি নঙনা করিগুম্বা থৌদোক অমবু ময়েক শেংনা খঙদুনা মদুদা অতেনবা মতম্মগী দরকার লৈবা, থৌদোক অদুদা য়ুম্ফম ওইবা য়ৌথংপা নত্রগা থিজিনবা য়াবা থবকশিং পাইখৎপা অসিসু লুচীংবা অমা ওইনবা মচাক্কনি । নঙগী অকোয়বদা লৈরিবা মীশিংনা নঙনা করিগুম্বা থৌদোক অমদা অথুবা মতম্মগী ওইবা দরক্কারদু পীরা ঙম্মী হায়না থাজরবা, অদু ওইরবদি নঙবু মখোয়না লুচীংবা অমগুম খনগনি । মখোয়না নঙবু থাজরবা মতমদা মখোয় মখোয়গী পম্বুং অদু ফংনবা হোৎনবদা নঙগী মতেংগীদমক নঙবু থিরক্কনি ।

চহী ২০গী মমাংদা, অকিবনা থুমহৎলবা নুপী অমা ঐগী ওফিসতা মতেং নীবা লাক্লম্মী। নুপী অদুগী চহী ১৫ শুরবি মচানুপী ইজ্জৎ মাংহনখিরদগী মিরোল্লবি অদু নুপীদুগী মপুরোইবনা মতৌ করম্না হাৎখিবগে হায়বগী ৱারিদু নুপীদুনা লিরম্মী । মহাক্কী মপুরোইবা অদুনা ইমুং মনুংগী ইজৎ কয়বগীদমক হাৎলিবনি হায়না ৱাকৎলম্মী অমসুং শুপ্পুগী থা ৬ তমক জেলদা লৈরম্মী । নুপী অদুনা মচানুপী নীংশিংবা অদুবু ইকায় খুম্নবা অমসুং অচুম্বগীদমক লম্মন খুম্বা ওইনা অচুম্বা অদু ঐঙোন্দা হাইদোক্লম্মী । মদুদী তশেংনা হায়রবদা মচানুপীবু ইজ্জৎ মাংহল্লিবা নুপা অদু মহাক্কী মপুরোইবনি অমসুং মচানুপীনা মিরোনবগী মওং উবা হৌরকপদা মাগী নুপানা হাৎখিবনি । অদুবু ৱায়েনশঙনা মাগী নুপাবু থাজে অমসুং থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা ৱা অমত্রা হংবা তৌখিদে ।

লাইবকথিবদি নুপী অসি নোংমখক্তুং লাক্লম্লগা অমুক হন্না লাকখিদ্রে । নুপীশিং অমসুং নুপীমচাশিংনা অসিগুম্বা আইনগী মনুংদা অৱাবা থাঙরগে হায়বগী অচৌরা পরা অমা ঐনা মঙোন্দগী খঙহৌই, মদুগীদমক মহাকপু থাগৎচরি । ঐনা ঐগী লৈজরিদা হোৎনজদুনা নুপীশিংগী ময়োক্তা লৈবা থৌদোকশিং অমসুং আইনশিং অসি হোংদোক্লবা হোৎনত্রবদি ঐ মত্রিক চাবা ৱায়েল শঙগী মী অমা ওইবা ঙমলোই হায়বসি ঐনা মতম্মদুদা খঙজখি। নুপীসিনা ঐঙোন্দা ঐনা থৌশাদবা ঙমদবা সমাস্যা অমা ‘ইকাই খুম্নবা ঙাক্লবা আইন’ হায়বসি খংহন্দুনা শিংনরকখি ।

অসুম তৌদুনা মসিদগী ঐ ‘ইকাই খুম্নবা ঙাক্লবা আইন’ হায়বসি মুখৎনবা শন্দোকপা হোৎনবদা লুচীংবা অমা ওইনা হৌরকখি। ঙসি ফাওবা ঐনা খল্লি মদুদি ঐবু থাজদুনা, অচুম্বা ৱারী অম্না লিনবগী থৌনগা লোয়ননা লাকখিবী মহাক্তো লুচীংবা অমনি । মহাক্না অকিবা পুম্নমক হুনে দাক্তুনা মপুরোইবগী ফত্তবা থবকশিং হায়দোক্তুনা মপুরোইবগী ময়োক্তা লেপ্পবগীদমক ঐগী মতেং নিবা লাকখিবনি । অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা ঐখোয়না মমাঙদা অমুক্তা খন্থরুদবা থৌদোকশিংগী মরমদা খঙহল্লম্মী । ঐখোয়না মখোয়গী মতুং ইনগদবনি অমসুং সেবা তৌগদবনি ।”[১১]

Asma Khader উকিল অমনি, মীওইবগী অধিকারগী ৱায়েনবা অমসুং Jordanian Women's Union গী Former President নি মহাক্না নুপী অমসুং নুপীমচংশিংদা লৈরিবা নমথবীবগী থৌদোক ৱাথোকশিংগী ময়োক্তা থবক তৌবা মীনি ।

---

১১ Based on a videotaped interview with Asma Khader on June 1, 2000 by Women's Learning Partnership.

মীখুদিংমক্কী অপুনবা পান্দম কয়া অমা অমনা অমগী য়েন্নদুনা ওইহল্লকপা ঙমগনি । চিনথোক চিংশিন য়াবা তুংকোইনা লৈবা Court অদুনা চাং নাইনা উহনবা অমসুং অতোপ্পা থবক কয়াবু শেমগৎতুনা লমদমগী ওইবা চৎনবীগী মতুং ইন্না । Beirut তা লৈবা Headquarter ময়ামগী ওইবা ব্রা খন্নফম, Arab Court কী membership শিংনা মফম য়াম্না মমাংদা মসিবু ইনগদবা মখোয় মশাগী খোংজং অমসুং মতেংনা মরম ওইদুনা । Member শিংনা Court পু মায়োক য়াহনদে চৎনবী মপা ওইনা অতোপ্পা case অমনা ব্রাকৎপা ওইনা লৌই অদুবু নুপীশিংগী য়াম্না তাংনা ফংবা জগানি, অয়েৎপা লৈতবা জগা হাংনা অমদি অথিংবা য়ৌদনা খন্নবা নুপা নুপীগী হাৎন শুনবগী অমসুং মসিবু লৈখাই তানবগীদমক । অসুম তৌনা Court না মখা চখরক্পবু মীয়াম পুন্নমকপু খংনবগী মচাক ওইহল্লী, ইচম চম্না ব্রারী ব্রাতাই শাদুনা খংনবগী মহুত্তা Prosecutors অমসুং Defedndants অনিগী মরক্তা । Arab Court কী ওন্তোক ওনশিন তৌহনবা য়াবা মওংসিনা ঙমহল্লী মীপুম খুদিংমকপু করম তৌনা মশাগী অপান্বা অমসুং ওইরক্লিবা ফীভম মী অমমমদা অমসুং মীয়াম মরক্তা মতেং পাংই ।

ফিভম অসি ওইরকপা মরমনা Court না মীৎয়েং চংশিল্লবগী মরুওইনা হাৎন শুনবা মখল মরি নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মরক্তা লৈববু মরু ফংনা মাংহনবা হায়বসিনি। লুহোংবগী ব্রাফমদা খৎনবা অমসুং জাৎ মান্নদবগী য়ান্নদবা খাইনবদগী ওইরকপা অকাইবা, বন্দীশিংগী ওইবা মরিদগী পুরকপা খৎনবা, অমসুং মচাক মথুমগী অয়েৎনবদগী ওইরকপা মরম কয়া অমা লৈখ্রে । Arab Court plan of action না খংহনল্লিবদি শিজিন্নবা অমসুং খোমজিনবা মীয়াম মরক্তা খৎনা শৈনবা পুরকপা য়াবগী মওং কুপ্না য়েংশিনবা অমসুং ফত্তবা ওইরকপগী য়াবগী মচাক মদুনা নুপা নুপীগী মরক্তা হাৎনা শুনবগী লম্বী পীবা, অপান্বা Government অমসুং NGO's শিংগী অকনবা খোংথাংশিং লৌখত্তুনা নুপীশিংগী হকপু অপুনবা সমাজ অমা শেমগৎনবা, অদুগা অনৌবা আইন কয়া পুথোক্তুনা অমসুং ওইরকপা য়াবা অমা নিংথিনা লৈহন্দুনা নিংথিনা ঙাক্লনবা নুপী অমসুং নুপীমচা কয়াবু । Court না অমম্মতগী ওইনা অয়াবা পীবা ঙমলোই, পুম্না নত্রগা Government থবক পায়খৎনবা মসিগী য়ানবগী মচাক্তি member শিংগী তৌথোরকপা ঙাকথোক্লবগী অমসুং লৌথোকপনা নুপা নুপীগী খন্না নৈনববু ।

মমাংঙৈদগী হৌনা Arab Court পুক্লিং চিংশিল্লীবনি হিরম অসিদনি মদুদি member শিংনা থাজবা দরকার লৈ মী অমমমগী লৈরিবা ফিভমবু অমক হন্না নিংশিংলবা মকল মথেলগী আই কয়াদা Arab কী মীওইশিং অমসুং শাফু পীবা Governmeent দা পীথরক্লবা অহেনবা থবক হাৎন শুনবগী মরক্তা হিংলিবা মীওইাংদা । Arab Court না মখা তারকথি নত্তববু অশিনবা তম্বগী মওং, অব্রা অনাগী অমদি মায়থীবগী ব্রাখল অমসুং লম্বী য়াৎপীয়ু নুপা নুপীগী হাৎন শুনবগী মায়োক্তা লাথেংনবা কয়াগী মরমদা । মেম্বর মশিং য়ামখৎনবগী পরা তমদুনা Court না মকোক কয়া থোকহন্দুনা লমদম অমগী মায়কৈদা চৎশিন্দুনা খৎন চৈনবগী লম্বীদক্ষ য়াম্না ইংনা মখা চখদুনা অমসুং মশাগী ব্রাংমা লাম্না দরকার লৈবা মীশিংগীদমক্তা ।

***খন্ন নৈনগদবা ৱাৱোলশিং :-***

- ☐ করম্বা ফিভমনা Arab Court লিংখৎলক্লবগী মচা ওইবগে ?
- ☐ Arab Courtকী ক্লাইদগী মরুওইবা পান্দমশিং করি করিনো ? করম্না plan of action না Court কী member শিংনা পান্দম অসিবু চাওখৎলক্লবা হোৎনগদগে ?

☐ করম হায়না মাগী ৱারী লিদুনা কীহন্দুনা খৎনা চৈনবগী তমথীবা মহীকপু হাৎনবা হোৎনবদ মতেং পাংবগে ?

☐ নহাক করিগুম্বা খরদং মোৎ পীরা ঙম্নগদ্রা করিগুম্বা Arab Court কী মথৌ তৌনবা পাম্বে অসি Government না লিংখৎপা ওইরবদি ? সংস্থান অমবু করম হায়না খেৎনরিবা সারকারনা লিংখৎপদগী Arab Court না হৌজিক লৈরিবা অসিদনি ?

☐ করম্বা নশানা Arab Court মায় পাক্লা থবক তৌবদা মতেং পাংবা ঙমগনি ।

☐ Court না করি তৌবা তাই মখা তানা মায় পাক্লবা অমদি কায়বগীদমক ?

☐ Court না করম হায়নাময়েক শেংহন্দুনা মহৈ য়ালহনবা ঙমগনি । করম করম্বা নিয়মশিং শিজিন্নগনি ।

☐ Technology করম্না Role শাম্নবা ঙমগনি পুম্না জাতিগী থাক্তা পাউ ফাওনরিবা Arab Court কী member শিংগী মরক্তা মায় পাকপা সংস্থান অমা ওইবা য়াবগী মচাকশিংসি করি করিনো ? মখোয়গী মনুংদা Arab Court চা শিজিন্নরিবনা করম করম্বনো ?

*তৌগদবা : জ্ঞান তাবা সংস্থান শেমগৎনবা (Part 2)*

১. Team খুদিংদগী অখন্নবা মীশিংনা ১১ শুবা সভাদগী পাউ পীদুনা মখোয় অপুনবগী ওইবা team না শেমবা সংস্থান কয়াদা মখোয়না মখোয় সংস্থানশিংগী মরমদা খংহনগদবনি মখোয়গী মমিং পান্দম মওং মতৌ, অমদি তৌগদবা থবক অমসুং হায়রিবশিং অসিগী মতেংনা মশা মশাগী অনীবা অপাম্বা অদুমক তাকচরগনি । অহানবা অখন্নবা মীফম অমা হৌদ্রিগৈগী মাংওইননা তাকপী তম্বীগদবা নত্রগনা মরম চাবা হোৎনরিবশিংনা পান্দমনি list শিং থোকখিবা থৌদোক মখাদা member শিংনা শিজিন্নবা মখোয়না শন্দোক্লা team সংস্থানশিং তাকপা মতমদা :

☐ সংস্থান খুদিংমক থবক ওইনা পাংথোকপা ঙমগদবা ?

☐ মখোয়গী মওং মতৌ অমসুং পান্দমশিং হোদোক হোংজিন অদুম য়াবা চাওখৎলকপা অমসুং হৈননবা নৌনা ওইরকপা ফীভম কয়াদা ?

☐ সংস্থানশিংনা শেল থুমগী ফিভম নিংথিনা শেম্নবা ঙমগদ্রা মখোয়গী Staff কী মেম্বর অমসুং লৈরিবা volunteer শিংবু মপাঙ্গল হাপপিনবা ।

☐ মসিগী তৌরিবা থবকশিং মসিনা পান্দম ফংনবা ।

☐ সংস্থানশিংনা মখোয় মখোয়গী শেমগৎচবা নিয়ম কয়ানা ওইহনবা ঙমগদ্রা মায়পাকপা অমসুং মহৈ য়ালহনবা ?

☐ মসিবু জ্ঞান তাবা সংস্থান কৌররা কৌরিবগী মরম অমসুং কৌদ্রিবগী মরম তাকউ ?

২. পুনশিল্লবা ওইনা খন্না নৈনবা অসিদা মখল মখলগী সংস্থানশিংবু অমসুং থবক কয়ামরুমদা, সভানা শিনবদা শরুক য়াবশিংনা খঙবা দরকার ওই হায়না মশানা মশাগী দাইতা লৌজবা ঙম্বা। অখন্নবা মশাগী কাঙবুগী ওইবা সংস্থানগী নিংথিনা তাক্কুনা অমসুং মসিনা অতোপ্পা সভা কয়াদা শুগাইনা তাকলিবা য়াহং পাউখুমশিং অদুনি।

- ☐ করমবা মওংদা কাংবুগী মীহুৎশিংনা মখোয়গী লৌরিবা থৌদাংশিং য়েন্নদুনা থবক তৌবা য়াগদগে ?
- ☐ করম্বা মওংদা কাংবুশিংনা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা ফোংদোকচবা ঙমগনি ?
- ☐ মসিনা ওইরকপা কাংবুগী মীহুৎশিংনা মখোয় মশাগী অপাম্বা অমসুং মদুগী মরমদা য়াজবা ঙমগদগে ?
- ☐ তৌখিবা থবকশিংশিদা খ্বাইদগী লুবা থবক অদু করিনো ?
- ☐ তৌখিবা থবকশিংদু খ্বাইদগী নুঙাইখিবদুনা করিনো ?
- ☐ সংস্থানশিংগী কাংবুশিংনা পুম্না শেমখিবা পান্দমশিংদা তশেংনা পাংথোকপা য়াবসি করিনো ?

*সভা লোইশিনলকপগী য়াহংশিং :*

অশিল অরাং ওইরিবা নত্রগা মীওই অমনা হেক্তা মখাদা পীরিবা খন্ন নৈনবা অসি পাংথোকপা মতমদা নোট লৌবিগদবনি ?

- ☐ সভাশিংদা, নঙনা ফংগে হায়না অশা তৌবা করি করি ফংবা ঙমখিবগে ?
- ☐ নঙনা খনজবা পান্দম অদুবু সভামনুংদা ফংবদি ঙমখিদবা য়াওব্রা ? য়াওরবদি মদু করি করিনো ?
- ☐ সভাগী হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা খন্ন নৈনরকপদা নঙোন্দা লাইনা থোকপ্রা ? থোক্লবদি মদু করিনো ?
- ☐ সভাসিগী নঙনা পাম্বা নত্রগা নঙনা পামদবা মওংদু করি করিনো ?
- ☐ হৌখিবা সভা ১২ অসিদা নঙনা খ্বাইদগী নুঙাইখিবা, নত্রগা পুক্নিং চংখিবা মশানা, খন্ন নৈনবা য়াওখিব্রা ? য়াওখ্রবদি মদু করিগীনো ?
- ☐ সভা ১২ অসিদগী করম্বা পরা নত্রগা পাম্বৈ, নঙগী থবক্তা হেন্না কান্নবা ওইনবা হোৎনবা য়াবা য়াওবরা ? সভা অসিগী ফল ওইনা নঙগী লমচৎ, নিংজবশিং নত্রগা পামজবশিং অদু তুংগীদমক অফবা ওইনবা করম্না শেমদোক্কনি ?
- ☐ তুংদা লাক্কদবা সভাশিংদা নঙগী করি মোট লৈ।

## লুচিংবা ওইবগী পুন্না তম্মীন্নবা সভা

| | সভা লোয়শিনলকপদা মেনশিনগদবা | ঐ কয়া য়ানিংই | ঐ য়ানিংই | করি অমাতা থনদে | ঐ য়ানিংদে | ঐ কয়া য়ানিংদে |
|---|---|---|---|---|---|---|
| ১. | লুচিংবা ওইবগী পুন্না তমিন্নবগী সমা অসি শরুক য়াবা অসিনা ঐগী পন্সিদা নুমিৎ খুদিংগী থেঙন্নবা হীরমশিংদা জ্ঞান তাহনবা ঙম্মী । | | | | | |
| ২. | লুচিংবা ওইবগী ময়াম পুন্না তমীন্নবা অসিনা, ঐগী পামদবশিংগী মতাংদা য়াম্না কন্না মীয়ামদা ঙাঙবগী পাঙ্গলদু হনথাহনল্লি । | | | | | |
| ৩. | লুচিংবা ওইবগী পুন্না তমীন্নবা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা ঐগী তাবা ঙম্নবগী হৈ শিংবদু হেঙ্গৎহল্লি । | | | | | |
| ৪. | লুচিংবা ওইবগী পুন্না তমীন্নবা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা, অত্তোপ্পশিংগা পাউ ফাওনবগী পাঙ্গলদু হেঙ্গৎহল্লি । | | | | | |
| ৫. | লুচিংবা ওইবগী পুন্না তমীন্নবা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা, অফবা অমগীদমক ঐবু ৱাখল খনথহনল্লি । | | | | | |
| ৬. | লুচিংবা ওইবগী পুন্না তমীন্নবা সভা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা ঐ ইশানা ইশাবু থাজবগী পাঙ্গলদু হেঙ্গৎহল্লি । | | | | | |
| ৭. | সভা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা, ঐগী তৌনিংলিবা থবক কয়াদা পুক্নিং থৌগৎল্লি । | | | | | |
| ৮. | সভা, অসিদা শরুক য়াবা অসিনা, করিগুম্বা সমাজগী নত্রগা ইমুং মনুংগী মায়োক্না লৈবা সমস্যাশিং ময়াম পুন্না থবক তৌমিন্নবগী কান্নবদগী চপ চাবা মগুনদু ঐনা খঙবা ঙমই । | | | | | |
| ৯. | সভা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা ঐগী অমসুং সমাজকী অহোংবা পুন্সি অমগীদমক ঐগী শীনফম অমসুং মোট মান্নবশিং মরুপ মপাং, খঙনা চান্নবশিং পুনশিন্নবগী ৱাখল অমা পোকহল্লি । | | | | | |
| ১০. | লুচিংবা অমা ওইবগী ময়াম পুন্না তমীন্নবা সভা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা ঐগী ৱাখলদা টেক্নোলোজি তমনিংবগী অপামবদু হেঙ্গৎহল্লি । | | | | | |
| | | | | | | |

| | | ঐ কমা য়াদিংই | ঐ য়াদিংই | করি অমত্তা খনদে | ঐ য়াদিংদে | ঐ কমা য়াদিংদে |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | সভা লোয়শিনলকপদা শরুক য়রিবশিংনা মেনশিনগদবা | | | | | |
| ১১. | লুচিংবা অমা ওইবগী ময়াম পুম্না তমীন্নবা সভা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা, সমাজকী ওইবা ৱারেপ অমা লৌননবা হোৎনবদা নুপীশিংনা শরুক য়াবগী কান্নবা অদু ঐনা খঙবা ঙম্মী । | | | | | |
| ১২. | পৃথিবিগী অকোইবদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক নৈনবা অসিনা, ঐ ইশাবু লুচিংবা অমা ওইনবা শজেন তৌবগী খুদোংচাবা অদু ফঙহল্লি । | | | | | |
| ১৩. | সভাসিদা তমন্নবগীদমক নৈনরিবা শাজেনশিং অসিনা ঐ ইশাবু লুচিংবা অমা ওইবগী শাজেন অদু তৌননবগী খুদোংচাবা অদু পী । | | | | | |
| ১৪. | সভা অসি য়াওবা অসিনা নুপা নুপী অনীমক কান্নবা ফঙহল্লি হায়বসি ঐগী থাজবনি । | | | | | |
| ১৫. | সভা অসি শরুক য়ান্নবা ঐনা ঐগী ইমুং মনুংগী মীওই মরূপ মপাংশিংদা অমসুং খঙন-চান্নবশিংদা ৱা হৌদোক্কনি । | | | | | |

***অশিল অরাং ওইরিবদুগী***

| | অশিল অরাং ওইরিবদুগী মতাংদা | ঐ কমা য়ানিংই | ঐ য়ানিংই | করি অমাতা খনদে | ঐ য়ানিংদে | ঐ কমা য়ানিংদে |
|---|---|---|---|---|---|---|
| ১. | শিনলি লাংলিবা মী অদুনা শরুক য়ারিবা মীশিং অদুগী অতনবা অমদি চোকথরকপা অদু কোক্লনবা থুহল্লি অদুগা অমুক্কা সভাদা নৈনরিবা য়ারীশিং অমসুং মশাম্নশিংদগী কাম্নবা ফঙননবগীদমক চাং অমদা তপহল্লি । | | | | | |
| ২. | শিনলি লাংলিবা মীওইদুনা  শরুক য়ারিবা মীওইশিংদুনা লনাইগী ওইবা ৱাফমশিং অমসুং শীনফমগী মতাংদা নুঙাইনা ইন্নাই লাইনা হায়দোকপা য়াবা অকোইবগী ফিভব অমদা সভা অসি শিনখি । | | | | | |
| ৩. | শিনলি লাংলিবা মীদুনা মাগী পুন্সিদা থেঙড়রিবা ময়াম অদু খম্ন নৈনবশিং নুংভাইনবগীদমক হায়দোকই । | | | | | |
| ৪. | শিনলি লাংলিবা মীদুনা, লুচিংবা ওইবগী মশাম্নদা য়াওরিবা চীংনবশিং অমসুং খুদোংচবাশিং অদু শরুক য়ারিবা মীশিংদা খঙহনবা ঙমদে । | | | | | |
| ৫. | শিনলী লাংলিবা মীদুনা শরুক য়ারিবা মীশিংদুনা সভা অদুগী হিরমশিংদা দরকার লৈবা নত্রগা চাম্নবা মোট পীরকপদা হরাওনা য়াই । | | | | | |

মখাদা পীরিবা অহাংবা শরুক অসিদা অমসুং লমায় অসিগী নাকল অমদা নঙনা অশিন অরাং অমা ওইনা সভাশিং অসিদা মতেং অমদা হেক্তা থেঙনরকপশিং হায়বদি অপাম পামদা অদু মোট পীয়ু । অশিন অরাং অমা ওইনা শরুক য়ারিবা মীশিংদু মথংগী সভা অমা শীনবদা হেন্না ফজনবা নঙগী মোট করি লৈরগে ? মতৌ করম্না সভাগী মওং, তম্নবগী মশাম্নশিং তত্তনা নাথৈবীরবা হিরম কয়াদা হেন্না পুক্লিং চঙনবা নঙগী মোট ফোঙদোকপদা নখোয়না ফোঙদোকপীয়ু ।

# APPENDIX

# তপশিনবা 'ক'

## তোঙান তোঙানবা শক্তমশিং :

পেলেসতাইনদা পাংথোকখিবা সভাশিংদা অহমশুবা সভাগী মহত্তা মখাদা পীরিবা অসি শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা হায়রিবা শক্তম অসি তোঙানবা শক্তম অমা ওইনা শিজিন্নৈ।

*লম-লমগী চৎনবী অমসুং নাৎপু ইকাই খুম্নবা অমসুং শেমদোক শেমজিন তৌবা।*

Maryam Midyeh : Educator on Women's Reproductive Rights

১৯৬৯ দা Halhoul দা Family Planing Sangsthan and Protection হৌরকপা ইকুই কুইন্দ্রিঙৈদগী ঐসু অদুম য়াওদুনা লাকই। ঐনা High School গী থাক হেক লোইবগা ১৯৭৩ দগী সাংস্থান অসিদা থবক তৌরকই। অহৌবা ওইনা হাপ্তা ১ দা পুং ২/২, মথংদা হাপ্তা অমদা নুমিৎ ৩/২ সাংস্থান অসিদা থবক তৌদনা লৈ। ঐনা সাংস্থান সিদা থবক তৌরিঙৈদা বীশবীদ্যালয়গী থাক্কী মহৈগীদমক্তা কম্না তকানিবা পান্নম্মী। অদুবু ঐগী ইমুং মনুংদগী শেল থুমগী ফিভম অমদি নুপীনা সমাজসিদা লৌবা শক্তম্না মরম ওইদুনা ঐগী মং অসি অমুক হন্না থম্নবা তাখি।

ঐগী ইমুং মনুংগী মীৎয়েংনা মরম ওইদুনা ঐগী মহৈ তম্বগী থাক অসি অপাম্বা থাক য়ৌবা ঙমখিদ্রে। অদুমকপু ঐগী অপাম্বা পান্দম অদু পংবা ঙমগনি হায়বসিদি থাজখি। FPPA দা লৈরিবা নুপীশিংগী Women's Reproductive health গা মরি লৈননা তমনবগী শরুকশিংগী খুদোংচাবা তাঙ্গা অদু লৌরম্মী অমসুং মদুদগী ঐনা তন্নকপশিংদু ঐগী অকোইবদা লৈরিবশিংদা থবক ওইনা পাংথোক্লবা হোৎনরম্মী। নুপীশিংগী মরক্তা ঐনা ঙাংখিবশিংগী অয়াম্বদি লম্বী অসিদা নুপীশিংদা মতেং পাংদুনা মখোয় মশানা family planing গী মরুওইবশিং অমসুং মদুনা মখোয় মশা অমসুং মখোয়গী অঙাংশিংগী হকচাং ফনা থম্বদা কান্নবশিং অদু খঙহন্নবগীদমক অহোংবা পুরকনবা ঐনা হোৎনরম্মী।

ঐনা হোৎনবশিং অসিনা মদুদি সমাজগী মীৎয়েংদা family planing অমসুং নুপীগী মতাংদা লৈরিবা ৱাখল্লোনশিং অদু হোংহনখ্রে হায়বসি ঐনা খঙবা ঙম্মী। মমাংঙৈদদি FPPA গী থৌরাং অসি অঙাং পোক্তনবা হিদাকশিং য়েন্থোকপা অমসুং নরর্স অমা হাপ্তা অমগী মনুংদা মতম খজিক্তমক নুপীশিংগী পাওখুম পীনবগীদমক লৈহনবনি। খুদম ওইনা মতমদুদা মচা তরা লৈরবা নুপী অমনা family planing হংবা লাক্লম্মী। অদুম ওইনমক হৌজিক্ত family planing গী মরুওইবা শক্তমশিংদি চাবোকথিংবগী নিয়মশিংবু য়েন্থোপনি। নুপীশিংগী ৱাহং পাওখুম পীনবা ঙাকশেন্নবা সেবা তৌবা মী অমা চয়োল অমদা মতম থরদং ফংগনি, খুদম ওইনা মচা ১০ নত্রগা ১০দগী হেল্লবা নুপী অমনা office তা লাক্তদবনি মাবু family planing না তেংবাংগদবনি। হৌজিক্তি নহা ওইরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী মরুপ মপাংশিংগা হৌনরগা association দা লাকমিন্নরে। মরমদি মখোয়না অহানবদা খঙগদবদি মতৈ মনাওশিংনা মখোয়না লুহোংবগী অহাবা চহিদা মখোয় মশানা পামদবা মীরোনবশি তৌদনবনি।

Family planing গী মরমদা খঙলবা নুপীশিংনা মখোয়গী চাবোকপগী হক অদু ইরাই লাইনা লাকপা নত্তে মসিদা ঐগী নিয়ম্ কয়ামরুম মখোয়দা শিজিন্নহনবনা থোরকপনি । চহি কয়ামরুম তন্নগা জ্ঞান অসি তাহল্লকলিবনি । অপান্থা ক্নাংবুনা চত্নুনা নুপীশিংগা ন্নারী ব্রাতাই শান্নগদবনি নত্রবদি থবক্তা কান্নবা ব্রাংব্রনি ।

১. Workshop তা শরুক য়ারিবা মীওইশিংদা মখোয়বু committee গী member নি হায়না ভাবনা শারগা থৌওং অদুদা মত্তেং পাংবা ঙমগত্রা হায়না হংউ ।

২. Community লেরিবা নহারোলশিং মখোয়দা দরকার ওইবা ১ দি নুঙাইবশিংগী মরমদা চোক বোর্দ নত্রগা ফিলম চার্দ তা ইরিবশিং অদু মমুৎ তানা খঙলব্রা হায়না হংউ ।

৩. নুপা নুপী হকতিন্নবগী মরমদা তোঙান তোঙানবা নহারোলশিংদা কুপ্পা হংউ । নহারোল খর অমদি মখোয় মশাদা থবক ওইনা হেন্না তৌনিঙবা ফাওই হায়না খন্নরশি নত্রগা থবক ওইনা পাংথোক্লবা কুম্না তকশিল্লি । হায়রিবা থৌওংসিদা নহা ওইরিরা নুপা নুপীশিংনা করি ফাওবগে মখোয়দা করম্বা মখলগী দরকার ওইবা নুঙাইবা অদু তমহৌগদগে হায়বদু চোক বোর্দ নত্রগা ফিলম চার্দতা ইরিবশিং অদু মশা মশানা খঙলব্রা হংউ ।

৪. নুপা নুপী হকতিন্নবগী মরমদা নৈনবদা য়ানিংদবা তোঙান তোঙানবা মমা মপাশিংদা অমসুং মসিগী মরমদা মীওইশিংদা থোরকপা থৌদোক -াথোকশিংদা অমুক য়েংশি । মখোয় নুপা নুপীশিং হকতিন্নবদা থোরকইবা ফল অদু কিদব্রা অদুগা মদু মখোয়না মীয়ামদা হিরম অসি হিংবা পামদ্রা অদুগা মখোয়না করম্বা মখলগী দরকার ওইবা নুঙাইবা থম্নবা হোৎনরিবনো হায়বদু মখোয় মশা মশানা চোক বোর্দ তা নত্রগা ফ্লিলম চার্দতা ইরিবশিং অদু মমুৎ তানা খঙলব্রা হংউ ।

৫. Workshop তা শরুক য়ারুবা মীয়ামদা মখোয়না workshop তা য়াওরুবদা ফংলকপা কান্নবা দরকার ওইবা নুঙাইবা পুন্নমক্তী মরমদা খন্নরো । থৌওংসিদা মত্তৌ করম্না ব্রারেপ পুরকপা য়াগদগে হায়বদু workshop তা শরুক য়ারুবা মীওইশিংনা হায়রক্কদবনি ।

*নুপীশিংনা মীয়ামগী মীখল্দ শরুক য়াবা অমসুং মদুনা য়ান্না হেন্না কান্নবা শেন্বা :*

---

Sana'a, Um Muhammed, Nawal, Fadyah, Um Ziad, Hajjeh Safiah, Nisreeen, Rula অমসুং Hana হায়রিবা নুপীশিং অসিনা মথং চহিদা পাংথোক্লদবা Jordan Parlimentary মীখলগী মিতিং কয়ামরুমদা শরুক য়ারুরে । খাথংবা Jordan দা লৈবা Nawal হায়বা Highs School গী ওঝা অসিনা নুপীশিংনা মীখলগী মিতিং য়াওনবা ব্রাখল অসি পুথোরকপনি । মহাক্না Hanan হায়বা Jordan গী নুংতিগী ফোংবা খবরগী ইদিতর অমদা নুপীনা Parliamentary মীখলদা মরুওইনা শরুক য়ানবা হৌদোক্লম্মী । মখোয় অনিমক্না নুপী ময়াম পুনশিনবগী দরকার ওইবশিং অদু খঙলম্মী । মীওইশিং অদুদি মরুওইনা মাগী মাগী কাঙলুপকী লুচিংবীশিংদুনি ।

নুপীশিংগী থৌরমদা থবক তৌরিবা association অমনা নুপীশিংবু citizen right তম্বীনবা থৌরাং তৌবা য়ারম্মী । পাংথোক্লিবা থৌরমশিং অদুনা নুপীশিংনা মীখলদা য়াওনবা শক্তি জ্ঞান নৈনদুনা

